ভক্ত-কবি

(অহান্‌বা খূদোল্‌)

ভক্ত-কবি

(অহানবা খূদোল)

ইরুবা

ভগীরথ সিংহ, শাস্ত্রী

নম্বোল

কোঙ্ জবা

কবিরাজ, শ্রীওক্রম ইবোমচা সিংহ, কবিরত্ন

প্রেসিডেণ্ট,


দিব্য জীবন সঙ্ঘ, নম্বোল

অহানবা খুৎনম্

১৯৬৮ ইং

[illegible]ঙ্গা ভাক্লবা]   মমল :—লুপা ৪·০০

নম্ফম :—সিটি প্রেস, ইম্ফাল



—ঃ ভক্ত-কবিগী মরীদা ঃ—

"ভক্ত-কবি" পুস্তকসারী পরেংনি। মারীগা লোয়ননা মপুংফাবজক্ অক্রবমু কবিশিংগী থন্গৎলবা শৈরেং খর-খরদং চবনি। "খুদোল্" কৌবা শরুক্তা মথং-মনাও ওইনা পুথো থৌরাংনি। তাইবঙ্গী মৈচাক্ অহম্ কোক্লবা থিখিবা, কংল তাইবঙ্দা পাউজেল্খিবা অশৈবশিংতনি য়াওরিবসি। মথং পাউজেল্দি স্বরগী ঈখক্তা তাউবনি, তাল-লয়গী ইপোম্দা বনি, তাইবঙ্‌পূক্লীং চিংশিন্বনি। অহান্বা খুদোল্সি ৱিবনা অশৈরেম্বশিং ঃ—জয়দেব, চণ্ডীদাস, বিত্তাপতি, তুলসী সূরদাস, নরোত্তমদাস, বৃন্দানদাস, কবীরদাসনি। মথংদা খুদো তমজনীংলিবনা গোবিন্দদাস জ্ঞানদাস, বাসুদেব ঘোষ, অন ......অসিনচিংবনি। অথন্নবা খুদোল্না মীরা, রবীন্দ্রনাথ, রাজ, গালিব, ভারতেন্দু হরিশ্চন্দ্র,—নজরুলনচিংবনা ... কন্নবা পূক্লিংগী ঈথিল্ ঙাকৃপা ঙম্হৌদবদগী ঈভীক-ইপা। অহান্বা খুদোল্ তম্জখ্বনি—"ভক্ত-কবি"। অঙাংগী থিবিদগুম্না, ঙাক্পিয়ু নিজরি ঙাক্পিহৈবশিংদা।

সংসয় ভবন [নখোল],

রাসপূর্ণিমা,

তাং ৫। ১১। ৬৮ ইং

নৌজরিয়
ভগীর

ভক্ত-কবি

১

জয়দেব

উসিদগী চাউরাক্লা চহী চানীপাল্-লোম্গী মমাঙ্দা লৈরম্বা বাংলা দেশকী রানি। অহল্ ওইরবা নিংথৌ—বল্লাল্সেন্গী মচুং শিন্দুনা লৈবাক ভাক্লম্মী—যুবরাজ লক্ষ্মণসেন্না। গুণ লৈবা কনাগী মতৌক্-মগুণ শকৃপিনবা রাজগুম্, অশৈবা কয়ানা লৈতেংলম্মী, রাজ-সভাদা—গুণ চেন্বা লক্ষ্মণসেনগী।

অহল্ ওইরবা মপাবুংগা থেয়বা রাথল্ লাক্পদগী যুবরাজনা ভম্ থরা কোম্বুং থাদোক্ত্না মরৈবাকী মঙ্গুং চন্বা বীরভূম জেলাগী কেন্দুবিব কোবা থুক্নংদা লৈরম্মী।

কেন্দুবিব অজয় তুরেল্গী তোর্ব্বান্দা তাবা পুক্নং মচা অমনি। অসীমক্তদা সেন বংশমক্কা শাবা লাম্বন্ অমা লৈরম্মী। অমামনা মখু 'সেন পাহাড়ী' হায়না থঙ্নরম্মী। মপাবুংগা মুক্তাইনমকখী যুবরাজ লক্ষ্মণসেন্না মফম্ অসীদা লৈরম্মী।

তাঙ্গা অসীমক্তদা, কেন্দুবিল্ব খুঙ্গং অসীমক্তদা, কনাগুম্বা নৌরিবা ব্রাহ্মণ পাখং অমম্মা পুক্সীং অনী লোঙ্দনা শাস্ত্র অমদি কাব্য নৈনহুনা মতম লেপ্লম্মী। অসাগুম্বা নহা ওইরিবা কবি অসীগী কাব্যগী থোইদোকপা হেন্নবা অসীমক্তনা নোংমদি লক্ষ্মণ-সেনগী মমিংবু বাংলাগী বৃটি॥ ইতিহাসগী লামায়দা মুক্তবা মরেক্পা ইরম্লবনি। অসীগুম্বা নহা ওইরিবা কবি অসী অতৈ কনা নত্তে, —শ্রীশ্রীগীতগোবিন্দ-মহাকাব্যবু লেংলম্বা, অমব ভক্ত-কবি – জয়দেব গোস্বামীনি।

গীতগোবিন্দগী অরোইবা শ্লোক অতুমক্তদা কবি জয়দেব মশামক্না মমা-মপাগী পরিচয় পীরম্লে। অপোক্পন শ্রীভোজদেবনি, অপোক্পীনা বামা দেবীনি। অসী নত্তনা কবিগী যুম্বান্না পুন্সীগী বা অমত্তা মানা ইবন্থশিংদগী ফংবা ঙমদে।

মানা ইবন্থদগী অতেংপা মিং অমী অমগা ফংই। অমনা মাগী চান্নরবা মরূপ -পরাশর। গীতগোবিন্দ কাব্য ইরগা কবিনা লৈ-পরেংগী মতোগুম্না কাব্য অসাবু হুংশিববা মরূপকী ওকশমদা খুদোলগী মশক ওইনা হকল্লে।

“পরাশরাদিপ্রিয়বন্ধুকণ্ঠে শ্রীগীতগোবিন্দকবিত্বমস্তু”।

অতোপ্পা মিং অমনা মাগী হু শিথোইরবী সহধর্মিনী-পদ্মাবতী। পদ্মাবতীগী চারুপ থৌবা কবিগী ‘মশক’ ওইনা কবি মশাম্না মশামকী পরিচয় পীজরিবা, অহুপা হুংশিজরবী লোয়নবীগী মিং পল্লিরা অসী-মক্তনা খাঙ্হল্লে মনুদি—মথোর অনীগী মরক্তা কয়াগী মতীক্ চঙবা থান-নৈত্রবা প্রেমনা পুল্লিরা॥ .

জয়দেব

"বাগ্‌দেবতা চরিতচিত্রিতচিত্তসদ্মাপদ্মাবতী চরণচারণচক্রবর্তী"
পুন্সীগী মকদগী চেংলবা-কল্লবা প্রেমনা মাবু য়াকায়বিখিবা, অতুগুম্বা
প্রেম অতুমক্তনা মক্ত্রবা দিব্য প্রকাশ তাহন্‌খি মাগী থম্মোই শৈরেং
—গীতগোবিন্দ মহাকাব্যদা।

অশংবা সমুদ্রগী মপান্দা, পুরীধামদা শ্রীজগন্নাথ দেবগী মন্দির লৈ। স্নানযাত্রাগীদমক্তা ভারতকী তোঙান্ তোঙান্‌বা লম্‌শিংদগী যাত্রী কাঙ্‌লুপ্ কাঙ্‌লুপ্ লাকই। জগন্নাথ দর্শনগীদমক মাইল চাম চাম খোঙ্‌না লাক্লবি। মপূর্নীংগী অপাম্বচু জগন্নাথগী খুয়াদা হঙ্গৎনৈ। অশংবা সমুদ্রগী মপান্দা মতম্ চুপ্পদা ঙাম্থোইবিরি জগন্নাথ—পুরুষোত্তম।

যাত্রীশিংগী মবক্তা দক্ষিণ ভারতগী মতৈ-মনাও অনীদং উরি।

মপুরোইবগা—মাগী লোয়ন্‌বী অতুগনা সমুদ্র-স্নান লোইরগা ইষ্টনাম জপ তৌরে; অচোংপা ফিদূ শেত্তুনা জগন্নাথদেব দর্শন তৌবা মন্দিরদা যাত্রা তৌখ্রে।

হুমীৎচুপ্পা চরা হেন্দুনা মন্দিরদা জগন্নাথগী পূজা তৌই। মন্দিরগা নক্লগা যজ্ঞশালাদা মতৈ-মনাও চাদ-থক্তনা হীপ্তুনা লৈ। জগন্নাথদেববু দর্শন হেক্ ফংদ্রিবা ফাওবা অনী অসী মতৌ অস্লুম্না করিস্থু চাদ-থক্তনা হীপ্তুনা লৈ।

ছল্লিগুম্বা হুমীৎকী অহিংদা মখোয় অনী পূজা তুম্মিন্নবগা মমঙ্‌দা, উরম্মী,—কবিগুম্বা মঙাদগী মশক গুইবা-মুর্তি অমনা মখোয় [illegible]

মায়কৈদা খুৎ তিংথোক্তুনা আশীর্ব্বাদ তৌরম্মী—"নখোয়না নীঙ্বা থুংলগনি"।

নোংঙাল্লক্লবদা পূরীং সুংঙাইনা সমুদ্র-স্নান তৌরগা জগন্নাথ দর্শন, মন্দির পরিক্রমানচিংবা পুম্নমক লোইরগা মবুংঙোনা মখোয়গী অপাম্বা পীবিরে হায়বা পূরীং লুম্বা অমগা লোয়ননা অন্নাবা কোক্ল-হুনা মরৈবাক্তা হন্খিরম্মী।

মখোয় অনীগী অপাম্বদি করি ওইরম্মী? মচা। মখোয় মচা লৈরম্দে। মসীগীদমক্ লাইখোঙ শুরুরে। নীংবা কায়বদগী লাইবু শাউবা কাওবা য়াওখ্রে। অসী কাওনা ৎংলক্তে। হন্দক্তি রাশক লেপ্তুনা জগন্নাথদা চঙ্‌জৈ,—'করিগুম্বা জগন্নাথদেবনা মুংশিন্-বিহুনা ঐখোয়দা ঈচানীপা পীবিরবদি মাবু ইবুংঙো নঙগী সেবাদা ঈন্শিন্গনি, অহুগা করিগুম্বা মুপী পোক্লগনা মাবু ইবুংঙো নঙগী ননাইমুবী ওইনা কখোকৃচগনি'। অসীগুম্বা থৱায় শোকৃপা বাকম্ অসী মবুংঙোনা তাবিরহুনা আশা পীবিরম্বনি,—"থীন্দনা নখোয়গী অনীংবা ৎংলগনি"।

চুম্মী, থীন্দে, জগন্নাথগী কৃপাদগী ব্রাহ্মণী গর্ভবতী ওইহুনা মতুং মতম্ চানা ঈমুং অহুবু ভালহন্দুনা পোক্লরে। মুপা নত্তে, মাঙ্দা ওইখোকৃখিদ্রিবা রূপ-গুণনা তিল্লবা নীংথিরবী মুপী অমা। মচামুপীগী মশক্-মতৌ ৎজবহু উবদা ব্রাহ্মণ-ব্রাহ্মণী মুংঙাইজবগী চাংদম্ লৈরম্দে। মচামুপীগী মমিং থোঙ্করে—পদ্মাবতী।

পিশক পীক্লিভৈদগী হৌনা অঙকৃপা ৎবা মবুক্তি মরৌশিং লৈ মুপীমচাসি। কনানা তম্বীরবা লৈত্তনা অঙকৃপা ৎনা মুংশিরা

খোঙ্গেলদা ঈশৈ শকপা হৈ, জগোই শাবা হৈ। হেক্তা তাবগা উবগা চপ-মান্নবা হেক্তা হৈ। কনাগুম্বনা হংবা য়াই—"নহাল্-মুক্কী মপোক্কী মহৈ য়াওব্রা করিনো ?"

হৈশিংসবা লাইয়েকপগী অখেকপা-লাইগুম্না ফজরবী পদ্মাবতী পান্থৎলকপা থাজগুম্না নোংম-নোংমগী চাউখৎলক্‌না ব্রহ্মানা শেম্বা মীৎ প্রানবা পুম্বগী পুক্কীং চিংশিল্লক্লে। অসীগুম্বীগী মমা মপা অমুদি সংসারসিদগী লাপ্না মখে য়গী ওইবা জগৎ অমদা লেন্‌বা হৌরক্লম্মী। অদুবৈদা—মচা লৈত্রিবৈদা মচা পামদুনা জগন্নাথ দেবগী মফম্‌দা রাশক্ লেপখিবদু মখোয় অনীগী পুক্কীংদা মমিকাও তাখিদ্রে। অসীগুম্বী মচাবু করম্বা মমা-মপানা থাদোকপবু ঙমগদগে ?

খঙ্‌হৌদনা নোংমা ব্রাহ্মণগী থোঙজিন্দা সাধু অমা লাক্লনা ভিক্ষা নিরম্মী। মপাবুংগী য়াথং মতুং ইন্না পদ্মাবতীনা সাধুদা কৎনবা ভিক্ষা পুথোরক্লম্মী।

পদ্মাবতীবু হেক্ উবদা সাধু অদুনা ব্রাহ্মণদা হংলম্মী—"নুপী মচা অসীদি কনানো ?

ব্রাহ্মণনা হাইক্কৎ পোংলপ্পা খুম্লম্মী,—"ঐগী ঈচানি।"

সাধুনা হাইক্কৎ নোক্লগা অমুকম্ব হংলম্মী,—"নংগী নচানি হায়বা ?"

ব্রাহ্মণ শাউরপ তৌনা খুম্লকই,—হোয়নে, ঐমক্কী ঈচানি হায়বনি,- মসীদা নঙনা অমুক্ হংনীঙঙাই করি লৈরিবগে ?

তন্দক্মুক্তি সাধুত্থ থরা গম্ভীর লৈবা খোঞ্জেলনা হায়রক্লম্মী,—মুগীমচা অসীগী মশাদা লৈরিবা হকচাংগী খুদম ময়াম্ অসী উবদা ঐনা চপ চানা লেপ্লে মতুদি—মসী লাইগী মচা মুগীনি! লাইনা পীরক্পনি! লাইগী মপোংনি! লাইগী মপোক্লা মীওইবগীদি অমুক কন্নি অধিকার লৈকনি!

খঙ্‌হৌদনা নোপাংগুম্না রাখল্ অমত্তংনা ব্রাহ্মণগী পুক্নীংদা কুপ্‌কেংনা ভান্‌খিবগুম তৌই। জগন্নাথগী মন্দিরদা মচা ফংনিংবগী অম্না-রাখলনা চাদ-থক্তনা তাত্নুনা লৈখিবা! মবুংঙোগী চরন্দা রাশক্‌খিবা—"করিগুম্না মুগী পোক্লবদি নচাক্কী ননাই মুবী ওইহল্লগনি! মাবু নঙগী মন্দিরদা থিঙ্গরক্কনি!"

ব্রাহ্মণনা মমাঙগী রাশক্‌শিং সধুনা খঙ্‌হন্‌খে। সাধুনা অমুক তাক্‌পিখি,—"মচা কায়নবগী অর'-মৈচাক্ লৈতবা নত্তে, অদুবু রাশক্ ঙাক্‌উ। ভগবান্দা কথে কখুবা থবক্তি ভগবান্না মশানা পাঙ্‌থোক্‌চৈ। ঐ লাক্লমদ্রবস্তু নঙগী রাশক্ মানা নীংশিংহন্‌গনি। নঙ্‌দি নরাইবক ফবনি অসীগুম্বগী মপা ওইবা ফংজবা। ঐনা তশেংনা উরে—নঙগী নচা অসী করিগুম্না অচৌবা লাইগী ওইবা থবক্ অমা পাঙথোকহন্নবগীদমক্ পোক্লরবনি। মাবু নঙগী মুংশিবগী থৌরীনা পুনশিন্দুনা থম্বা য়াররোইনে ব্রাহ্মণ!

অসী হায়রম্লগা সাধু চংখ্রে, ব্রাহ্মণ চপ-লেপ্তুনা মুগীগুম্না লৈহৌরে।

ঈশ্বরদা রাশক্‌খিবা, রাশক্ ঙাক্‌পা, মচা কায়নবা রাখল্‌শিং অসীনা স্বয়ং স্বয়ং অকিবা অম্বাবগী মূর্তি ওইনা লেপ্লরে ব্রাহ্মণগী

মমাংদা। থম্মুংদা য়াবদগী 'পান্ থোক্লক্লে। কুচু ওল্লে, অঙাওবগুমখে। মপাগী অরাবা উরগা কোক্লবা হোৎনজে পদ্মাবতীনা। মখেদা মচাবু কদাইদম্ম থারোক্লবোই, ওইনীংবা অমা ওইজরসম্ম হায়রদুনা তুমিন্না লৈখোক্লে। অদুবু ঈশ্বরনা পাম্বা মীওইবনা করি তৌনি? খঙহৌদনা পদ্মাবতী অনাবগী ফমুংদা তারে। জ্ঞান য়াওদনা তাদুনা লৈখ্রে। মরক মরক্তা চোইরোল্ লোল্লকই—"ইবুংঙো! ঐ লাকচরে" ফুক্ অমুক হৌগংলি। মাইথ-মাইথৌ কয়াগী মতেং কাম্নদরে। উপায় লৈত্রদুনা ব্রাহ্মণ-ব্রাহ্মণীনা মচাদা হংজে— "কদাইদনোনে ইবেম্মা, নমা-নপা অনিমক সিদা লৈরেনে।" ওন্ন লৈননা খুম্মী "জগন্নাথ প্রভুগী নাক্তনি, মানা ঐবু কৌরে।"

ব্রাহ্মণ ভাব তারে। নহালমখৈ উৎ-চাইনা খুমজিন্দুনা লাক্লবা কাম্নদরে। খঙহৌদনা পুক্নীং লেপ্লে, হেক্ ফবগা জগন্নাথ মন্দিরদা থিল্লুরগে থোক্লবা হায়রদুনি। অঙকপনি! নোংবু ঙান্-ফাত্রি, পদ্মাবতী জ্ঞান তারক্লে, তুমললুবদগী হৌগৎলকপদোনা ফমুংদা ফমদুনা লৈরে। মাইবনা মাগী হীদাকী মগুণ থাগৎচবা হৌরক্লে। ব্রাহ্মণসু অঙকপনি হায়রদুনা লৈরে।

ব্রাহ্মণনা মমাঙগী য়াশক অদু মচানুপী পদ্মাদা য়ারী লীদুনা খঙহল্লে। মীৎকী পিনা য়ারীগী ভাব তাকখ্রে। পদ্মাসু খঙ-হৌদনা কুইরবা মতমগী লাপ্পবা খোম্থাং অমনা মাবু কৌবগুম তৌরদু তারে। অমৌবা পুন্সী লম্বী উরক্লে।

থম্মোই কায়রবা মপানুংবু থেমজিন্নদুনা পদ্মানা হায়খি— "পাবুং! নিংঙোলদি মপামদা কুইনা লৈরোইদবা নত্রা, ঐদি

ঈশ্বরগী মন্দিরদা মনাই ওইদুনা লৈজগদৌরিবনি, মসিদগী হেন্না ঐগী লাইবক্ক কবা করি লৈগদগে ?"

থীব্রে, অফবা মুমীৎ য়েংদুনা ব্রাহ্মণ মতৈ-মনাওনা পদ্মাবতীবু পুদুনা পুরীধামদা থুংলরে। হৌনবী নিয়মগী মতুং ইন্না মচানুপীবু জগন্নাথগী খুয়াদা শিন্নরম্লগা লাক্লে।

পদ্মাবতীনা মবুংগোগী মন্দিরদা দেবদাসী ওইদুনা অচিং মুংথিলগী সেবা কায়দনা মতম লেন্‌বা হৌজরক্লে। ব্রাহ্মণ মতৈ মনাও অদুসু মচা লৈত্রবা অহাংবা ময়ুমদা চৎনীংদ্রদুনা মন্দিরগী অকোয়বদা কোয়চৎ-চদ্রুনা লৈরে। মচানা মবুংগোগী সেবা তৌজ-বদুদা মখোয়গী মবুক্লীংসু চঙ্‌খ্রে।

মুমীৎ কয়ানিমুক্কী তুংদা ব্রাহ্মণনা অমুকসু মঙ্‌দা উখি,— জগন্নাথদেবনা লেঙ্‌বিরক্তুনা তাক্‌পিরম্মী,—নঙগী সত্য ভাকপা অসীদা ঐ পেল্লে। নঙগী নচাসী অচম্বা মুপীমচা নত্তে, স্বয়ং লক্ষ্মীগী অংশদগী পোকপনি। অচৌবা থৌরম্ অমা পাঙ্‌থোক্লবগী দমক্ মা পোক্লবনি। নঙগী নচানুপীবু ভাইদুনা লৈরি, কেন্দুবিল্ব খুঙ্গংদা ব্রাহ্মণ কুমার অমা, মমিংনা জয়দেব কৌবনি। মহাক্তু নঙগী নচাগী মপুরোইবনি। নচানুপীবু মাঙোন্দা পুদুনা শিন্নরু।

মঙ্ অসীদগী ওম্মোক্লা ঙম্‌খৈ নাইত্রবা মুংঙাইবা অমা ফংলদুনা ব্রাহ্মণ অদুনা খুদক অদুমক্তদা মন্দিরগী পাঙা মকোক্ অদুগী য়াথং লৌরগা পদ্মাবতীবু পুদুনা কেন্দুবিল্ব থিরক্লে।

অজয় তুরেল্গী তোর্ব্বান্দা কেন্দুবিল্ব লৈ। থা অমা চুপ্পা চত্তুনা কোয়থি-থিরুরবগী তুংদা থুঙ্গং অসীদা থুংলরে। অহানবা-মক্তদা কনাগুম্বা ব্রাহ্মণ. অমগী য়ুম্দা থুংলুই। মচানুপীবু কংক-দৌরিবা জয়দেব গোস্বামীগী পরিচয় খঙনবা হোৎনবদা করিমত্তা কংলম্দে। অহান্বদা মশক্-মমিং খঙ্নদবা কনাগুম্বা অমদা থরায়গুম্ খঙ্গ্রিবা মচানুপীবু কবম্লা শিম্নগদগে হায়বসিদা থোক্ত-দোক্লা অরাবনা চমম্নরম্মী। অদুবু জগন্নাথগী বাবু থাজদ্রনা হন্না হন্না থিবদি তোকখিদে।

খেংনবা মীশিংদগী তাবদদি—মমানা কনানো, মপানা কনানো, শাগৈ-জাৎ করিনো. খঙদে। চেঙ্-কো লৈতে, য়ুম লৈতে, লম্বী লম্থাংদা, তোর্ব্বান্দা, উখা-বাখাদ কোয়চৎ চত্তুনা লৈ। মাশিংসী তাবদা ব্রাহ্মণ মতৈ-মনাও ভাব তাশিল্লক্কে, তুম্বা চাবা চঙখিদ্রে।

অসোম্দা জয়দেবদি কমদৌরি। অজয়গী তোর্ব্বানগী ঘাট্ ঘাট্তা বন বন্দা, উখোং উখোংদা অভাওবগুম্বা কপ্প. কোঙ্না ভাওলক্ই—হে কৃষ্ণ, হে কৃষ্ণ! নঙগী অমর প্রেমগী বারী ইবা গুমজনবা প্রেম অদু কৈদৌঙৈ পীবিনি! য়েংথি য়েংথিবদা নব-জলধরশ্যাম, নাক্তা তুংইন্না রাস-রঙ্গিনী শ্রীমতী রাধা অনীগী অমত্তা ওইবা মূর্ত্তি অদূতা উদূনা লৈরি। মীনা হায়নীংবা হায়রনমু মাচুংঙবা লৈতে।

ব্রাহ্মণ অদুনা জয়দেববু থিবদি লেপ্পে, কাচিন্-কোয়া থুংলে, মী অমত্তং উনবদা হংবা তোক্কে। মমৈত্ত-মমৈদা উখোঙ অমদা খেংনক্লে—নীপাম্ব। অহান্বদা মপাল্গী জ্ঞান শাগুরম্দে, হংবা

খুম্‌দে। মমৈদা জ্ঞান লাক্লে, পাউখুম্ পীরকৃখি মাগী পরিচয় হংবদা। ঐ জয়দেবনি, বিশ্ব ব্রহ্মাণ্ড অসী ঐগী য়ুম্নি, ঐগী থবক্তি মাবু ঙাইবনি।

ব্রাহ্মণনা পাম্লম্বা পাউখুম্ অমত্তা ফংখিদ্রবদা নীংবা কায়না হল্লক্‌্না পদ্মাবতীদা ভম্লে বারী পুন্নক্। নীংবা কায়রবা মপাগী বা তাবমথৈ তারুরগা পদ্মানা মায়থোং লূক্লপা হায়দোরকৃখি—মহাক্ ঐগী ইপুরোইবনি, মাগী নাক্তা চৎকনি।

ব্রাহ্মণ ওকৃপগী ওম্‌থৈ ফংদ্রহনা অহিং চুপ্পা লেল্লে তূম্‌দনা। মওল্ মওল্ থন্‌খি—বিশ্বনাথ-জগৎনাথ-এপু মানা করি পাম্লিবা!

অহিং অমগী মঙ্‌নি। উখোঙ্‌দ তূম্লিবা জয়দেববু কৌরদূনা লোল্লপা হায়খি,—"ভক্ত! নঙগী থম্মোই শোক্লা কৌবা অসীদা ঐস্ম লৈবা ওম্‌দ্রে। অজয়গী তোর্ব্বান্দা কদম্বখণ্ডী ঘাট্‌তা ঈশিং মমুংদা নঙবু ঙাইরি, কুইরেদা ঙাইরিবসে, ঐবু মফম্ অহুদগী লৌখৎলো লাউ!" নোং ঙান্‌কাত্রিঙৈনা জয়দেব ফুক্ হৌগত্তুনা মফঙ্‌দা তাকপিরম্বা মফম্ অহুমক্তদা কন্ চোংথহুনা ঈশিং মমুংদা কোইমা-মাহুনা থিরুরে! কাবক্ কুইনা থিরবগী তুংদা থেংনরুরে করিনো অমা, তাপ পায়শিল্লগা ঈমুংবুংদগী থাঙংলক্লগা য়েংলুবদদি ওইরম্লে মাগী ইষ্টদেবতা—শ্রীরাধাশ্যামগী যুগল মূর্ত্তি। মবুংতো মবেম্মবু থম্মোইদা কোঙ্গিঙ্গরগা অঙাওবগুম্না জগোই শাবা হৌরক্ল।

মূর্ত্তিছু কদম্ব পাম্বী-মখোঙ্‌দা থম্লগা কৃষ্ণ নাম শোল্দুনা সেবা চংপা হৌরক্লে। কদম্বখণ্ডী ঘাটকী পাউসি মায়কৈ মরিদা

শন্দোক্লখ্রে। পাউ তাবগা লাক্পা মীনা ক্রক্ ক্রক্ ইরখ্রে। লাক্লিবশিংস্থ চপ মান্নবা কৃষ্ণ নাম শক্ই। মকম্থু পূম্নাও লাওখ্রে।

<u>পাউসি বর্দ্ধমানগী নিংথৌস্থ তাখ্রে।</u> নিংথৌস্থ লাক্লা দর্শন তৌররে রাধাশ্যাম। করম্বা মাগী অনীংবনো! থীন্দনা নিংথৌনা মন্দির শানবা থৌরাং হৌগংখ্রে, নাট্য মন্দির, অতিথি শাল', ভজনালয়।

পদ্মাবতীবু পোকপা ব্রাহ্মণস্থু থে'দোক্শিংসি খুণ্ডবা নস্তে। ওক্পনস্থ থেংলবনি অস্মুম্না খঙ্খি—লাইনা থাবা মীদি লাইনা শেম্বনি। মশামক্ লাপথোক্লা লৈবা ওম্লক্লহনা জয়দেবগী নাক্তা ভক্ত অমা ওইনা লৈবা হৌরক্লে। মানা কেন্দুবিল্বদা লাক্পগী রারম্ খোং-খোংপা খণ্ডহল্লে।

জয়দেবগী মঙ্দা উখি—লক্ষ্মীমক্কী অঙ্গদগী মঙাল অমা থোরক্লগা মুপী অমগী শক্তম্ ওইরক্পা; মূর্ত্তিহুনা মাঙোন্দা নক্-শিল্লগা অমুক লক্ষ্মীদা তিন্খিবা।

ব্রাহ্মণনা মচানুপী পদ্মাবতীবু অয়ুক্ অমা পুরক্লনা জয়দেবদা থুরুম্জহন্খি। জয়দেবনা মমঙ্দা উখিবা নুপীহু ওসি লাক্লিবা অসীম্ক ওইরে খন্খি।

অক্ববা ক্ষণদা অক্ববা লগ্নদা রাধাশ্যামগী বিগ্রহগী মাঙদা জয়দেবনা মাগী থম্মোইগী মহারাণী হাপখ্রে—পদ্মাবতীবু। নৌনা পুন্সী-লম্য়ান্মিল্লগদৌরিবী থোঙলোইগী নৌরবা খুং পায়হুনা হায়খি,—"নঙনা ঐগী প্রেম সাধনাগী মক্তে ওইগদৌবনি। নঙগী প্রেমগী মথুংদা ঐগী রাধাশ্যামগী প্রেমবু নৌনা তানহুনা থংগনি।

নঙগী অসীগুম্বা প্রেমদা ঐনা লেংগনি,—শ্রীরাধাশ্যামগী অরোই-অথম্ লৈত্রবা প্রেম-লীলা। নঙনা ঐগী থম্মোইগী প্রেরনা ওইগনি, ঐগী শ্রীমতীনি নঙদি।"

অজয় তুরেল্গী তোর্ব্বান্দা, নৌনা গৃহস্থাশ্রমদা খোঙদারক্লিবা অনীনা অহিং মুংথিল্ চুপ্পা রাধাশ্যামগী পূজা সেবাদা মতম্ লেন্‌বা হৌখি। তাঞ্জাসিদা জয়দেবনা লেংবা হৌখি—শ্রীশ্রীগীতগোবিন্দ মহাকাব্য। পদ অমা হেক্ লেংবা লোইবদা মহু পদ্মাবতীদা পাহ্নুনা তাহল্লি, পদ্মানা মহু ঈশৈ ওইনা শক্‌না জয়দেবদা তাহল্লি। জগৎনা তোপ্পা লৈখ্রে, মখোয় অনীনা তোপ্পা লৈরে, থম্মোই মমুংদা শেম্‌গৎখ্রে, অনৌবা বৃন্দাবন, মহুদা শাম্নরি প্রেম লীলা রাধা-মাধবকী। থম্মোইগী রাথল কলম্না পুথোরক্‌খি লেপ্তনা। কৃষ্ণ-ধ্যান, কৃষ্ণ-জ্ঞান, কৃষ্ণ চিন্তা, কৃষ্ণ-দর্শন, কৃষ্ণ-কথানা কূপশিন্‌খ্রে জয়দেবগী থম্মোইমুংদা। মপান্‌গী জ্ঞান মাঙথিহ্নুনা আবেশনা ভক্ত কবিনা লক্ষ্মীগী অংশ ওইবী পদ্মাবতীগী চরণদা তাহ্নুনা হায়খি—হে দেবী, ঐ নঙগী চরণ সেবাদা চঙজরিবনি। রাখল্‌হু কোঙদোরক্লে মাগী কলম্না,—"পদ্মাবতীচরণচারণ চক্রবর্ত্তী"।

অমুম্না চৎথরক্লে শ্রীশ্রীগীতগোবিন্দ কাব্য, রাধা কৃষ্ণগী মিলন-বিরহ লীলা। চন্দ্রাবলীগী কুঞ্জদা অহিং লেম্মুরগা হুকচাং পুম্বদা খৃজীল্ মকম্ লৈনা লৈনা অয়ুক অঙনবদা কৃষ্ণবু শাউরিবী শ্রীমতীগী কুঞ্জদা লেপ্লরে। অহিং চুপ্পদা চান্ন থোইরবা লাকপা ঙাইহ্নুনা মীংশেং থাঙহুনা লেঙ্গরক্লবীনি শ্রীমতী রাধিকা। অয়ুক্তা কৃষ্ণনা লাক্‌না থোঙদা লেপ্লবদা শ্রীমতীনা উখি,—অহিং চুপ্প শাম্নরক্লবগী

ময়াই কাপ্লহুনা অতোপ্পা নায়িকাগী ফিজোল্ থোন্দুনা লেঙ্লক্লে, অতোপ্পা মুগীগা মুংশি-লীলা শাগ্নরুবগী খুজীল মফম্শিং অহু কুরুবক কৌবা লৈগী লৈকাশুম্ম ভাশং ভাশং ভাঙ্না লৈরি। থেম্বা য়াদনা শাউখিবনা ইবেম্মনা ম্বা অমত্তা ভাঙদনা চান্ন-থোইববু বিদায় পীখ্রে। মতাং অসীদগী তৌখ্রে—খাইনা মৈচাক ফংলবা মাধবকী অর-রাখল্। র ভাঙ্ কয়ানা মানা শ্রীমতীগী অশাউবা তোক্লনবগীদমক হায়ৈজ। মমৈখংদা খরা খরা হন্থরক্খি শ্রীমতীগী অশাউবা। সখীশিংগা লোয়নননা অমুক্ শ্রীকৃষ্ণগী নাক্তা লাক্কুনা প্রেম নিজরে। মান্ থাদোক্পা উবদা শ্রীকৃষ্ণ থম্মোইমুংদা মুংভাইবগী ঈথক্ হৌখি। শ্রীমতীবু কোল্লহুনা ইবুংঙোনা হায়খি,—নঙদি ঐগীনি, ঐস্মু নঙগীনি, ঐগা নঙগা কৈদৌমুংদা কায়নরোই!

অত্তুমক্তদস্মু ইবেম্মগী চীম্বাল্দগী মুংশি-রাহৈ অমত্তা থোক্লক্খিদে। মতম্ অসীদা শ্রীকৃষ্ণনা রাশক্পগা লোয়নননা মশামক্পু মপুং ফানা ইবেম্মগী চরন্দা আত্মসমর্পণ তৌখ্রে। ইনা ইনা কবিগী কলমহু থক্ থক্ নীক্লক্লে। মীত্তগী শিন্থরক্পা পিনা ইচাই চাইথোক্হন্খ্রে লাইরীক্ ময়েকশিংহু। কবিনা নীক্লা নীক্লা ঈথরক্খি,—“স্মরগরলখণ্ডনং মম শিরসি মণ্ডনং”। মসীগী মথাদি ভক্ত-কবিনা ভাৱবা ভম্খিদ্রে। অরাবা পূক্লীংগী-ঈহৌ অমনা লাউনা কৌরক্খি,—পদ্মাবতী! পদ্মাবতী ভহা ভহা চেন্শিল্লক্কুনা মাঙ্দা ফল্লরে। পিনা পুন্দুংলধা থোজেল্মা মতেক্ মতেক্ পাহুনা তাহ দ্র কবিনা, ...জগৎকী জীব পুম্নমক্লা মহাত্তবু তাঞ্জরিবা, অত্তুগুম্বা মতাক্লা

থম্বায় বানা ওসি তাল্লি অতোপ্পা অমবুম্ন········· তুরেল্‌না চেন্থখ্রগা সমুদ্রগী পুক্‌নুংদা তারুই, অদুবু ওসিদি সমুদ্রনা চেন্‌থংলক্লি তুরেল্‌গী মকা তম্না।

"চান্নথোইরবী থাদোক্‌পিরোনে অসীগুম্বা মরম্ চাদবা অশাউবা অসী। নবুক্‌নুংদা ফুম্লিবা বাহু ঙাঙ্‌থোক্লো, মাবু থম্মোইদা কোন্‌-শিল্লু।"

অবা-বাখল্‌না থোঞ্জেল্ নীকা কবিনা পাখি,—"স্মরগরলখণ্ডনং মম শিরসি মণ্ডনং·········" পি শিন্থবনা চরম্ ফুন্‌খ্রে, মথা পাথবা ঙম্‌খিদ্রে কবিনা।

পদ্মাবতী, পদ্মাবতী, করম্ তৌনা ঐনা কলম্ তাগদগেনে বাহু, তাইবং পান্‌বনা মাগী চরণদা খুরুম্‌জরিবা, মানা ওসি অমুক্ খোঙ্ পায়নীংলি·········বাখল্ ঈথক্ হৌখ্রে কবি থম্মোইনুংদা। কলম্ হন্দোক্কনা ফুক্ হৌগংখ্রে।

নুংথিল মুমীং চায়খ্রে।

পদ্মাবতীনা হায়জখি,—ইবুংঙো, মুমীং চায়খ্রে, চাইথবিরুরো। লুক্ হারগা, পোথারগা অমুক্ ইনবা তৌবিয়ু······।

কবিনা খল্লি,—ওঃ, পদ্মাস্যু চাদনা ঙাইরিনা! অদুদি তুরেল্‌দা ইরুজরুরগে।

পদ্মানা চান-থরুবগী থৌরাং তৌরে। মীকুপ থরগী মতুংদা ইরুজবা লোইরদুনা মপুরোইবা হল্লকপহু পদ্মানা উরে। তহা তহা থৌরাং তৌজরগা মবুংঙোনা হাবিখ্রে। চাবা লোইরগা জয়দেবনা হায়— পদ্মাবতী, ঐগী লাইরীকৃতু পুথোরকউ, লোইদবা পদহু

লোইখোক্লগা পোখারগে। পদ্মানা হয়াও-হয়াও লাইরীক্ পুথোক্লে। কবিনা লোইদবা পদন্থু মপুং ফানা ইশিল্লে,—

"স্মরগরলখণ্ডনং মম শিরসি মণ্ডনং
দেহি পদপল্লবমুদারম্।"

পদসি ইশিল্লগা শয্যাদা লেঙ্শিন্দুনা পোথাখরে। পদ্মাবতীনা মবুংঙোনা হাখ্রবগী অরেম্বন্থু ফংজরে। তাঞ্জাসিমক্তা থোঙ্জিন্দা খোঙথাংখোল্ অমুক্ তারে। ঙক্লা য়েঙ্খংখিবদা পদ্মানা উরে, কৃষ্ণ নাম শক্লা শক্লা ইরুজবা কারক্লে মপুরোইবা জয়দেব। ঙকপনা বাঙাঙ্ থোক্খিদ্রে পদ্মাহু। হৌজিক্তা নত্রনে ইবুংঙোনা চাইথরুরগা লূক্ হান্থুনা পোথাখিবন্থুবো, কমদোনা মপাল্লোম্দগী অমুক্ লেঙ্শিল্লক্লিবনো ?

জয়দেব ঙক্লে, মাদি চাদনা কম্দোনা পদ্মানা চারিবা! পদ্মানা তহা তহা চেন্শিন্দুনা পোথাকম্দা য়েংলুবদদি কনামতম্নু লৈরম্দে, চন্দন তৈরবা থম্বাল্গী মুংশিরবা মনম্ অন্থুতং ফূং ফূং নমন্থুনা লৈরম্মী কা মমুংন্থু।

অঙাওবীগী পান্দম্ণুম্ মপুরোইবগী চরন্দা তুন্থুনা হংজৈ,— লাইবক্ ফরে ইবুংঙোদি! ইবুংঙোগা তিন্নজবদগী লাইবক্ ফরে ঐস্নু! জয়দেবদি ঙক্লি অন্থু কাওবম্নু, মীৎ কুপ্তুনা য়েংলি পদ্মাদা। পদ্মানা পরপ্ পরপ্ চেন্শিন্দুনা লোথোকউরে ঙসাইগী লাইরীক্, মবুংঙোদা য়েংহল্লরে, তশেং তশেংবা ময়েক্লা ইন্থুনা লৈরম্লে অরোইবা পদন্থু—"দেহি পদপল্লবমুদারম্।"

পদ্মাবতীনা খোক্‌খিবা থৌদোক্‌ পুন্নমক্‌ তম্‌জরে। তানা তানা কবি-জয়দেব হকচাং শীন্থুংনা তুচুংখি, খঙ্‌জরে, ভক্তবু চান্‌বিবা মবুংঙো কৃষ্ণনা ভক্তগী থম্মোইগী অরাবা উবিদুনা মখুংমক্না ইশিন্‌বিরম্নবনি, ভক্তনা ইবা ওম্‌জদ্রবা অরা-রাখল্‌ ফোঙ্‌বা রাদু।

অজয়গী তোর্ব্বান্দা মুমীত্তুদা মীওইবগী প্রেমগী লীচিংদা ভগবান মশামক্না লেঙথবিরক্তুনা খুদম থম্বিরম্লে মতম্‌ পুম্নগীদমক গীতগোবিন্দ কাব্যদা। মীওইবনা শেম্বা অসীগুম্বা মহাকাব্য অসীগী মমুংদা য়াওদুনা লৈরে, মীওইবগী নত্তবা লাইগী ওইবা মুংশি খুদম! মরম্‌ অসীদগী ওইরিবনি গীতগোবিন্দসী মীওইবগী থম্মোইদা লৈবা লাইগী স্বাক্ষর! মরম অসীদগী লৈরিবনি কাব্য-সাহিত্যদা গীতগোবিন্দগী থোইদোক্‌পা মরন্নাইগী মগুণ।

গীতগোবিন্দ ইবা মপুং ফারবদা, রাধা-মাধবগী মন্দিরদা শক্তুনা অতুগুম্বা থম্মোইনুংগী ঈশৈবু থম্মোইগী মবুংঙোদা ইহান হান্না তাহঞ্জরম্মী। জয়দেবগী ঈশৈদুগী শক্তম্‌ উৎলিবনা মাগী হকচাং তঙ্খাই—পদ্মাবতীনি। মাগী অঙকপা শাথেকী জগোইনা দেশ-দেশান্তরদগী মীয়াম্বু চিংশিন্দুনা কবিগী মিংচৎপু শন্দোক্‌হল্লম্মী। মখোয়গী জগোইগী তাম্বা-পুংলোম্না কবিনা পীবনি। অমুম্না মতম্‌ অতুগী বাংলা দেশপু অরাংবা থাক্তা থাঙ্গৎনবগী অচৌবা থৌদাং অমা পীরম্লবনি অনীমীনা—পদ্মাবতী অমসুং জয়দেব। মখোয়গী তুংদা লাক্লোরিবা প্রেম-ভক্তিগী পূজারী শ্রীচৈতন্য মহাপ্রভুগী লম্‌য়ান্‌বা—অগ্রদূতনি।

মীয়াম্গী ময়াদগী জয়দেবগী মপাউ নিংথৌ লক্ষ্মণসেনগী ময়া-নাকোং য়ৌখ্রে। লক্ষ্মণসেনগী অপাম্বগী মমুংদা সঙ্গীত, সাহিত্য, শিল্পকলানচিংবা অসীস্থু মপুং ফানা চাওখৎহনবনি। বিক্রমাদিত্যগী নবরত্নগী মতৌগুম্না মাগী রাজসভাদা লৈবাক্কী মতীক্ মগুণ লৈব-শিংগী ফিদা পাক্লা থানিংলম্মী। অহুনা, মাগী সভাদা কবি উমা-পতিধর, গোবর্দ্ধন আচার্য্য, কবি শরণ অমসুং কবি ধোয়ী পুম্নমক্-সিগীসু মথক্তা কবি জয়দেব মিশ্র পুম্নমক অসীনা হীরা-মণি-মুক্তাগী লীক্লাং পরেংগুম মশা মশাগী মঙালনা তগুপ-তরেংনা ঙাল্লম্মী। অসীগুম্বা মঙাল্ পুরবা বিদ্বৎমণ্ডলী অসীগী মমুংদা কবি জয়দেবতগী মমিংবু ঐখোয়না তশেংনা শকৃখঙনৈ। বিক্রমাদিত্যগী সভাদা কালিদাসগী মতৌগুম্ লক্ষ্মণসেনগী রাজসভাদা কবি জয়দেবগী মিং অমসুং মিংচৎনা রাজসভা অদুবু অমর ওইহনখি। কবি উমাপতি-ধরদি হায়খিবা কবি মণ্ডল অদুগী মমুংদা খ্বাইদগী অহল্লি, বল্লালসেন হাক্কী মীনি, কবি জয়দেবনা মাবু সমালোচনা তৌদুনা হায়রম্মী,—“বাচঃ পল্লবয়ত্যুমাপতিধরঃ” হায়বদি কবি উমাপতিধরগী অথোইবা মগুণ অমদি, মানা শব্দগী মথক্তা থোইদোক্লা চেকৃশিনবা মীয়েং থম্বনি। মাগী কাব্য প্রতিভাগী লক্ষ্যদি শব্দবু অনৌবা য়েক্লীং ছল্হন্বনি।

কবি-প্রতিভাদা জয়দেবগুম্, মতীক্ মগুণ অমদি পণ্ডিত ওইবগী মতৌদা লমজিংবনি,—আচার্য্য গোবর্দ্ধন। মাগী মায়ী কম্বা হৌজিকস্থ চৎনরি।

অমনা ধোয়ী কবিস্থু শজিক-থবাগুম মরম্নাই মঙাল্ শন্দোক্-চবনি। মাগী কাব্য হৌজিকস্থু চৎনরি। মাগী "পবণদূত" কালি-দাসকী "মেঘদূত" কা খল্-তৈ।

ময়ামসীগী মথক্তা ভক্ত কবি জয়দেবনা রত্ন-সভাগী লৈরি। মাগী 'তুংদা মশেক্ ওইনা মঙাল্ শন্দোক্লিবনা লম্মীগী শায়োন্—পদ্মাবতীনি।

কবি জয়দেব চুম্নতগী কবি নত্তে, অচৌবা শিল্পীনি, গায়কনি অফাওবা। মতমত্তুদা লক্ষ্মণসেনগী রাজ সভাদা সঙ্গীতকী অচৌ অচৌবা সভা কয়ম্মী।

অমুক, অফাওবা নট গাঙ্গোগী মমৌম্নুপী বিদ্যুৎপ্রভাগী স্থহই রাগনা মীপুম তিংনা শুন্ধৎলম্মী, শুহাদা মচা পমতুনা ঈশিং শোকপা লাকপা মুপী অমনা বিদ্যুৎপ্রভাগী আলাপ তাবদগী শুন্ধৎখিদুনা ঈশিং শোক্লবা পাত্রগী মহুক্তা মচাবু শুহাদা থাদখি হায়নৈ।

মথংদা বুঢ়ন মিশ্রনা পটমঞ্জরী রাগ শক্লম্মী। উরিষ্যাগী মীনি, ভারতকী অফাওবা গায়কনি। মাগী ঈশৈনা মথোঙদা হৌরিবা উপাল্শিংগী উনা পুম্বা খোং-খোংনা কেলহল্লম্মী। মানা জয়পত্র ফংফম থোকই লাউনরক্নে রাজসভাদা। তাঙ্গাসিদা পদ্মাবতী লম্বীদা চৎলিঙৈদা লাউনবতু তাখে। পরপ্ পরপ্ চঙশিন্দুনা রাজসভাদা লাউরুরে, বাংলা দেশতা সিদগী হেন্না ফরবা গায়ক গায়িকা য়াম্না লৈরি। নিংথৌনা কনানো হংলক্লবদা থৌনা কনা "ঐ অমম্মুং ঈপুরোইবা জয়দেবনি" খুমখি। নিংথৌনা য়াথং পীবা মতুং ইন্না পদ্মাবতীনা গান্ধার রাগদা ঈশৈ শকৎলক্লে। মাগী

ঈশৈ তাবদা গঙ্গাগী অতোপ্পা তোর্ব্বান্দা লৈরম্বা হিশিংহু সোম্-থংবদা লোইনা তাউশিল্লকৃখি। মীয়াম্না জয়পত্র পদ্মাদা পীবনা মতীক্ চায় লাউনখি। মদুদা বুঢ়ন মিশ্রনা শাউরপ্পা ঐদি হুপীগা তান্নবদি তৌরোই হায়না লাউরকৃখি। বাসী জয়দেবনা হেক তাবগা চঙ্শিল্লক্তুনা হায়খি,—'বুঢ়ন মিশ্রগী মিংচংতি করিম্ব নত্তে, বসন্তদা উনা কেনবদি মরল্লাইনি।" মিশ্রনা প্রতিবাদ তৌখি—অত্তুবু উনা পুম্বা নোংমা নোংমগী কেন্‌বনি, ঐগী ঈশৈনদি অমুক্তদা কেল্‌হন্‌বনি।" জয়দেবনা "অদুদি উনা কেন্‌খ্রবা উশিং-সিদা অমুক্ অনোবা য়েন্নীং হুল্‌হল্লু" হায়খি। বুঢ়ন মিশ্রনা মহাদি ওইথোক্লোই খুম্‌খি। জয়দেবনা খুদক্তা বীণা লোখত্তুনা বসন্ত রাগ শক্‌পা হৌরক্লে। বসন্ত রাগগী আলাপকা লোয়ননা কংলুরবা উপাল্‌গী উশাদা অমুক নৌনা অশংবা উনাগী য়েন্নীং হুল্লক্লে। মিশ্র মরু লুক্‌থগ্রে। লক্ষ্মণসেন সিংহাসনদগী কুম্‌থরক্তুনা কবিগী ওক্‌শমদা জয়পত্র শিবিখ্রে। অমুম্নমু হায়খি,—"হে শিল্পী, হে কবি, ঙসি নঙবু ফংজবদগী লক্ষ্মণসেনগী সভা অসী ধন্য ওইরেদো।"

তশেংবনি, রারীশিং অসীদগী ঐখোয়না খঙলে মহাদি পদ্মা-জয়দেব কয়াদা রাংখ্রবা শিল্পীনো মখোয় অনীগী প্রেম-সঙ্গীত মখোয়গী কাব্যদা অমর ওইনা লৈহৌরে। শক্‌চরি কবি মশামক্লা "পদ্মাবতী চরণ চারণ" হায়না কল্লক্ পেঙ্গনা।

রাধা কৃষ্ণগী প্রেম লীলা-বর্ণনাগী লূরবা ঈচেল্ পুরিবা কাব্য-মহাকাব্য গীতগোবিন্দনি জয়-পদ্মাগী। থম্মোইমুংগী মুংশি

পাউদম্‌খোল্‌ মুংশি শক্তম্‌ লেপ্পনি মবুংঙো মবেন্মগী। অসীগুম্বা গীতগোবিন্দ কাব্য জগত্তা ফংঙম্‌দবনি।

জয়দেবগী গীতগোবিন্দ :—

জগৎ ফাওরবা, রাধা কৃষ্ণগী প্রেম-লীলা, প্রকৃতি পুরুষকী তত্ত্ব, জীবাত্মা পরমাত্মাগী যোগ-বিযোগ, ভক্ত-ভগবানগী প্রেম সম্বন্ধ খিবিক্‌সিগী 'মুংগী ভাব ফোংবা মহাকাব্য—গীতগোবিন্দ শক্তম্‌ লেপ্পা লুদবা নত্তে। পারু-তারুবা মী-মীগী মতীক্‌ চাবদা (যোগ্যতা) লৈরে, পুনীংবা ভাব মপুদা লৈরে। আকাশতা থোক্লিবা মুমীংনা য়েংলুবা মী খুদিংগী মপাদা লৈবগুম্বনি। তাংদাংবা মকম্‌ লেপ্পদি মতম্‌ কুইনা সাধনা চঙিঙ। জগৎ কৃষ্ণময় ওইনা উবা, মহাভাবতদা লৈবা, অষ্ট সাত্ত্বিক বিকার ফাওরবা ভক্ত-কবি জয়দেবগী থম্মোইমুংগী মুংশি পাউদম্‌খোল্‌ তাইবঙ্‌ মীরোল্‌ নত্তে, তাইবঙ্‌গী মাংমদা লৈবা অপ্রাকৃত ওইবা মওঙ্‌নি। লৈখোম্‌দগী পোক্লবস্থ থম্বাল্‌না লৈনাং লৈরীক্‌ পক্কগুম্‌ সংসারদা লৈরবস্থ কবিনা তোপ্‌-তোপ্পা লৈবনি, পক্কে মাঙোন্দা মায়াগী লৈখোম্‌, হকচাংগী নাপল্‌—দেহাভিমান্‌ মকম্‌ লৈত্তে মাঙোন্দা, কামগন্ধ পক্কে মহুদা। সংসারগী অবাবা কোক্‌না, হরিদা তিন্‌বগী মুংঙাইবা ফংজনীংবা মীওইনা অসীগুম্বা কবি জয়দেবগী পূক্নীং হুবা পদাবলী অসীবু পাবিয়ু হায়না শক্লম্নি কবিনা,—

যদি হরিস্মরণে সরসং মনো
যদি বিলাস কলাসু কুতূহলম্‌।
মধুর-কোমল-কান্ত পদাবলীং
শৃণু তদা জয়দেব সরস্বতীম্‌॥

অসীমস্থু শক্লি,—

ইহরসভণমেকৃতহরিগুণমেমধুরিপুপদসেবকে ।
কলিযুগচরিতংনবসতুচুরিতংকবিনৃপজয়দেবকে ॥

হরিবু অকাউবা লৈতনা নীংলবা, কৃষ্ণগী চরণদা সেবা তত্তনা তৌজরবা, কবি খিবিক্কী অথোইবা জয়দেবনা রাধাকৃষ্ণগী লীলা লেংলবসিদা, মসীবু শক্লিবা তারিবা মী পুন্নমক্ কলিগী পাপ্ কোক্হল্লসনু ।

অসীগুম্বা শ্রুতিসারগী মশক্ ওইবা রসাত্মক কাব্য অসী সর্গ তরানিথোই থোক্লা খায়দোকই । সর্গ খুদিংমক্কী তোঙান্ তোঙান্বা মমিং থোক্লি । অহান্বা—সামোদ দামোদর, অনীশুবা—অক্লেশ কেশব, অহুম্শুবা—মুগ্ধ মধুসূদন, মরিশুবা—স্নিগ্ধ মধুসূদন, মঙাশুবা—সাকাঙ্ক্ষ - পুণ্ডরীকাক্ষ, তরুক্শুবা—ধৃষ্টবৈকুণ্ঠ, তরেৎশুবা—নাগরনারায়ণ, নিপালশুবা—বিলক্ষ-লক্ষ্মীপতি, মাপল্শুবা—মুগ্ধ-মুকুন্দ, তরাশুবা—মুগ্ধ মাধব, তরামাথোইশুবা—সানন্দ-গোবিন্দ, তরানিথোইশুবা—সুপ্রীত পীতাম্বর ।

কবিনা থোক্লিবা সর্গ মমিংশিং অসীগা সর্গশিং অসীগী মনুংদা য়াওরিবা ভাবশিংগা মরী লৈন-লৈননা থোক্লি । মমিংগী অর্থনা সর্গ অদুগী ভাব অপাবশিংদা থঙ্হল্লি ।

অহানবা সর্গগী মমিং 'সামোদ-দামোদর' কৌই ।

মরম্দি, সর্গ অসীদা কবিনা উৎলি, কৃষ্ণ প্রেমনা রারবী শ্রীমতীরাধিকানা অরা মৈশা লাংলহনা মকম্ খুদীং কোয়চৎ-চত্তুনা

কৃষ্ণবু খিরম্মী। তাঙ্গা অসীদা ইবেম্মগী চান্নবী সখী অমনা ইবেম্মবু খঙ্নবা তাক্লম্মী মতুদি, ইবেম্মগী দামোদর হায়বদি শ্রীকৃষ্ণ অহু ওসিদি অতোপ্পা মুপী অমা লোয়ননা মুংঙাইমিন্নখরে। মরম্ অসীনা, কবিনা সর্গ অসীগী মমিং থোল্লম্লিবনি—সামোদ-দামোদর।

চান্নবী সখীগী ৱাসীবু কবিনা ঈশৈ ওইনা শক্লি, বসন্ত রাগদা যতি তালদা পান্দুনা,—

ললিতলবঙ্গলতাপরিশীলনকোমলমলয়সমীরে।
মধুকরনিকরকরম্বিত কোকিলকূজিতকুঞ্জকুটীরে॥
বিহরতি হরিরিহ সরসবসন্তে।
নৃত্যতি যুবতিজনেন সমং সখি বিরহিজনস্য দুরন্তে॥১॥

—— নীংথিজরবী লবঙ্গ উরীদা কোল্লহুনা।
হুম্লিবা নামিবা মলয়া মুংশীৎনা॥
হয়িংখোই মপৈগা লোয়নরবা কোকিলশিংনা।
খোংলিবা কুঞ্জগী থাংপোক্তা কুহু হায়না॥
থোইনা ৱানীংঙাই ওইরবা কায়নরবীশিংগী।
মুংশি-ঈহৌনরবা মতম্সিদা বসন্তগী॥
অতোপ্পা মোনহাশিংগা শান্নরি।
ঈতা ওন্থোক্পনি কৃষ্ণনা জগোই শারি॥১॥

উন্মদমদনমনোরথপথিকবধূজনজনিতবিলাপে
অলিকুলসঙ্কুলকুসুমসমূহনিরাকুলবকুলকলাপে॥

বিহরতি·········॥২॥

মপুরোইবনা লংফৈদা লৈথ্রবী
মৌনহাশিংহুনা ময়াইকারবী কনাগুম্বী
মু.শি মুংগুল্ রাখল্না তেংথাজরবী
খোইমু মপৈনা তোংবদা হাইহুম্না খাঙজ্রবী
লৈশিংনা লৈতেংলবা বকুল পাম্বীগী
মুংশি ঈহৌনরবা মতমসিদা বসন্তগী……
অতোপ্পা মৌনহাশিংগা শান্নরি
ঈতা ওম্ফোকৃপনি কৃষ্ণনা জগোই শারি ॥২॥

মৃগমদসৌরভরভসবশংবদনবদলমালতমালে।
যুবজনহৃদয়বিদারণমনসিজনখরুচিকিংশুকজালে ॥
বিহরতি………॥৩॥

কস্তুরী মনম্না তম্জনীংঙাই ওইরবা
তমাল্ পাম্বী পরেংগী য়েন্নীংনা ফজহল্লবা
পাখংশিংগী থম্মোই হোগায়নবা
কামদেবগী খুজীল্গুম্ ফজরবা
শাংলিবা পরেংনা পাঙ্গোংগী
মুংশি ঈহৌনরবা মতম্সিদা বসন্তগী
অতোপ্পা মৌনহাশিংগা শান্নরি
ঈতা ওম্ফোকৃপনি কৃষ্ণনা জগোই শারি ॥৩॥

মদনমহীপতিকনকদণ্ডরুচিকেশরকুসুমবিকাশে।
মিলিতশিলীমুখপাটলিপটলকৃতস্মরতূণবিলাসে ॥
বিহরতি…… ॥৪॥

স্নংশি-স্নংঙোল্ নিংথৌ কামদেবগী
দণ্ডশুম নীংথিরবা সনাগী
নাগকেশরনা ফজনা শাৎলবদা
তোংবদা খোইমু মপৈনা পাটলি চরোংদা
তেন্দোংশুম্ ফজরি কামদেবগী
স্নংশি-ঈহৌনরবা মতম্‌সিদা বসন্তগী
অতোপ্পা মৌনহাশিংগা শান্নরি
ঈতা ওস্নোক্‌পনি কৃষ্ণনা জগোই শারি ॥৪॥

বিগলিতললিতজগদবলোকনতরুণকরুণকৃতহাসে ।
বিরহিনিকৃন্তনকুন্তমুখাকৃতিকেতকিদন্তুরিতাশে ॥
বিহরতি……॥৫॥

ঈকাই-ঈকি থাদোক্নরবা জগৎপু উবদা
করুণ কৌবী লৈরাং শাৎলক্লে নোক্ল-মওঙ্‌দা
খাইনা মৈচাক্ লাংলবশিংবু মাঙ্‌হন্নবগী মশক্ ওইরবা
কেতকী কৌবী লৈরাংনস্থ তাশোন্‌গী মশক্ ওইরবা
থিন্‌গৎলক্লে মায়কৈ খূদীংদগী
স্নংশি ঈহৌনরবা মতম্‌সিদা বসন্তগী
অতোপ্পা মৌনহাশিংগা শান্নরি
ঈতা ওস্নোক্‌পনি কৃষ্ণনা জগোই শারি ॥৫॥

মাধবিকাপরিমললিতেনবমালিকয়াতিসুগন্ধৌ ।
মুনিমনসামপি মোহনকারিণি তরুণাকারণবন্ধৌ ॥
বিহরতি……॥৬॥

মাধবী লৈরাংগী লৈনয়া হায়বা
মল্লিকা লৈরাংগী শাংপদা ভায়রিবা
লৈনয়া পূরীং হূরবা মাগী
পূরীং শুন্দ্রংনবগী মশক্ ওইবা মুণিশিংগী
মরূপ ওইরবা পাখং-লৈশাবীশিংগী
লুংশি ঈহৌনরবা মতম্সিদা বসন্তগী
অতোপ্পা মৌনহাশিংগা শান্নরি
ঈতা ওম্বোক্পনি কৃষ্ণনা জগোই শারি ॥৬॥

স্ফুরদতিমুক্তলতাপরিরম্ভণপুলকিতমুকুলিতচূতে।
বৃন্দাবনবিপিনে পরিসরপরিগতযমুনাজলপূতে ॥

বিহরতি………॥৭॥

লৈ শাংলবা অতিমুক্ত কৌবী উরীনা
চেংনা কোন্বদগী তুজুংলহনা
অনৌবা য়েন্নীং থিন্গংলবা হৈনৌ পাম্বীগী
ঈশিংনা থুংনা চেল্লরুবা যমুনাগী
শেংদোক্লবা হৈকোন্ লৈকোন্দা বৃন্দাবন্গী
লুংশি ঈহৌনরবা মতম্সিদা বসন্তগী
অতোপ্পা মৌনহাশিংগা শান্নরি
ঈতা ওম্বোক্পনি কৃষ্ণনা জগোই শারি ॥৭॥

শ্রীজয়দেবভণিতমিদমুদয়তি হরিচরণস্মৃতিসারম্।
সরসবসন্তসময়বনবর্ণনমনুগতমদনবিকারম্ ॥

বিহরতি………॥৮॥

শ্রীজয়দেব কবিনা শক্লিবা অসীগুম্বা
হরি চরণ নীংশিংনবা অথোইবা পাম্বৈ ওইরবা
মুংঙাইরবা বসন্ত মতম্গী বনগী পাউদম্ পীদুনা
মুংশি-মুংঙোল শক্লোন্ তুংইন্না
থোক্কুনা ভাল্লসনু থম্মোইদা ভক্তশিংগী
মুংশি ইহৌনরবা মতম্সিদা বসন্তগী
অতোপ্পা মৌনহাশিংগা শান্নরি
ঈতা ওম্বোক্পনি কৃষ্ণনা জগোই শারি ॥৮॥

দরবিদলিতমল্লীবল্লিচঞ্চৎপরাগপ্রকটিতপটবাসৈর্বাসয়ন্কাননানি ।
ইহহিদহতিচেতঃকেতকীগন্ধবন্ধুঃপ্রসরদসমবাণপ্রাণবদ্গন্ধবাহঃ ॥৯॥

হাই-হুম্না লৈরবা উরীদা মল্লিকাগী
পোম্বোম্ শাৎলবা লৈগী লৈরীক্তগী
বনবু পাইথোরক্পা মনম্না মুংশিহল্লবা
কেতকী কৌবী লৈগী লৈনম্গা চান্নরবা
শীৎলিবা মুংশীংনা থবায় ওইরবা কামদেবগী
হৌজিক্কী মতম্সিদা বসন্তগী
লৈপ্নমক্ চাক্হল্লি থম্মোইদু
কায়না মৈচাক্ থাঙ্লিবা মথোম্নদু ॥৯॥

অদ্যোৎসঙ্গবসদ্ভুজঙ্গকবলক্লেশাদিবেশাচলং
প্রালেয়প্লবনেচ্ছয়ানুসরতি শ্রীখণ্ড শৈলানিলঃ ।
কিঞ্চ স্নিগ্ধরসালমৌলিমুকুলান্যালোক্য হর্ষোদয়া—
দুন্মীলন্তি কুহূঃ কুহূরিতি কলোত্তালাঃ পিকানাং গিরঃ ॥১০॥

মলয় চীংজাওদগী শীৎলিবা নুংশীৎনা
উম্ন্ বদগী লোক্তা লৈবা লিন্না
কোক্নবা হুগী অবাবা
ঈরুজংগ খন্দুনা উন্দা ঈংলবা
শীৎলক্লে মায়কৈরোমদা শুন্দুনা হিমালয়গী
উরগা য়েন্নীংদু নীংথিবা হৈনৌ পাম্বীগী
কুহু কুহু হায়বা অবাংবা খোঞ্জেল্না
নিল্লক্লে হয়াউরবা কোকিল্শিংনা ॥১০॥

উন্মীলন্মধুগন্ধলুব্ধমধুপব্যাধূতচূতাঙ্কুর—
ক্রীড়ৎকোকিলকাকলীকলকলৈরুদ্গীর্ণকর্ণজ্বরাঃ।
নীয়ন্তে পথিকৈঃ কথঃ কথমপি ধ্যানাবধানক্ষণ—
প্রাপ্তপ্রাণসমাসমাগমরসোল্লাসৈরমী বাসরাঃ ॥১১॥

লৈহী লৈনম্দা পুক্নীং লুপ্লবা
হয়িংখোইশিংনা কোয়পাই পাইরিবা
হৈনৌ য়েন্নীংলক্তা শান্নরিবা হাইহন্দুনা
কোকিল্শিংনা নিন্থগী খোঞ্জেল্না
লংকৈ চৎপশিংনা লায়না পোক্নবা নাকোংগী
ভাইহাক্ নীংশিংলুবদা হুংভাইরবা চান্নবীবু উনবগী
কায়না মৈশা নংলবশিংদুনা
হুমীৎশিং অসীবু লৈল্লি ওস্থোক্না বানা ॥১২॥

অনীশুবা সর্গগী মমিং থোল্লম্লে কবিনা,—'অক্লেশ-কেশব'।

সর্গ অসীদা কবি জয়দেবনা রাধাকৃষ্ণগী অশুকৃপা প্রেম

লীলাগী মন্থংদা লোত্তুনা লৈরিবা বাবু শকম্ লেপ্পম্মী। শ্রীকৃষ্ণনা বৃন্দাবনগী গোপ মুপীশিংগা লোয়ননা প্রেম-লীলা শান্নরিবস্থু অরাপ্পদগী কায়ন-মৈশা লাংলবী শ্রীমতীরাধানা উক্লরে। মাগী-দমক্তা লৈরকৃপা মবুংঙো শ্রীহরিনা ঙসিদি অতোপ্পা মুপীগা লৈমিন্ন-বদা ময়াই কাখ্রে। মধুবন্দা কমদৌনা শ্রীকৃষ্ণনা মাগা লোয়ননা প্রেম-লীলা শান্নখিবা অসীগুম্বা মাঙ্গী বা চাম চাম নীংশিংলক্লে। অদুবু কলঙ্ক-মিহৌ পুম্নমকী মন্থংদগী শ্রীমতীগী পুক্নীংদা অশাওবা াশল্ পোক্লক্লে, মুংশিবগী মনাৎ মহৌশাগী মরমচৎ—মুপী লীশীং লীশীংগা শান্নরবস্থু, শ্রীকৃষ্ণদি ঐগীনি। শ্রীকৃষ্ণস্থু বৃন্দাবনগী গোপ-রমনীশিংগী মন্থংদা অদুগুম্বী শ্রীমতীতবু উদুনা লৈ। মরম্ অদুদগী অসীগুম্বা প্রেম অসীদা কলঙ্ক-মিহৌ লৈতে, অবাবা লৈতে। শ্রীমতীগী থম্মোইদা শ্রীকৃষ্ণগা অরোইবা লৈতবা রাস-লীলা শান্নদুনা লৈরি। অদুবু মপান্থোংদা অভিমান অমদি কলঙ্ক-মিহৌগী মতৌ কোংদোকৃপা থরা উরিবসিদি রসগীদমক্তনি। অসীগুম্বা অভিমান অসীগী রসদা রাধাকৃষ্ণগী নিত্য প্রেম অদুতনা হেন্না হেন্না নীংখিবা ওইরকই, মাধুর্য্যময়মরি। 'পানগী বাবু তোপ্পা থন্নগা 'মুংগী লেঙদবা অরা-অনা চঙদবা শ্রীকৃষ্ণগী মতম্ চুপ্পদা মুংঙাইবতা ওইবা সচ্চিদানন্দ ওইবা মাগী প্রেম রসবু উংলি কবিনা অনীশুবা সর্গ—'অক্লেশ-কেশব' অসীদা।

শ্রীকৃষ্ণগা কায়নরবী শ্রীমতীরাধিকানা মবুংঙোগা লোয়ননা প্রেম লীলা শান্নজনীংবা ভাবতু কোংনা শক্লি কবিনা, মালব রাগদা একতালী তালদা :—

চঙ্ শিল্লদুনা নিকুঞ্জগী য়ুম্‌দা চীক্লবা
লৈরম্‌গদৌরিবা লোত্তুনা অহিংদা মী চীক্লবা
মায়কৈপুন্বা য়েংলুবদা ঈঙক্-ঙক্না
নোক্লকদৌরিবা রতি লীলাগী হরাওবগা লোয়ননা
হে ঈতা শান্নহন্‌বিয়ু ঐগা লোয়ননা কৃষ্ণবু
শক্‌ফম্ হোংগদৌরিবা শান্নগে থল্লুবদা কামক্রীড়াবু ॥১॥

অহানবা উনবগী ঈকাইবা ফংলবদা
হৈশিংনা রাঙাঙ্ চাম-চামনা হায়জগদৌরিবা
মোমোন্ মোমোন্ নোক্তুনা ঙাঙ্‌লুবদা
খ্বাঙ্‌দা শেংলিবা ক্বিবু কোম্‌থোক্‌হন্‌গদৌরিবা
হে ঈতা.........॥২॥

উনা অনৌবগী ফমুংদা চঙ্‌লুরবদা
মতম্ কুইনা ঐগী থবাক্তদা হীপ্পকদৌরিবা
চেৎনা কোন্দুনা চুপ্লুরবদা
কোন্‌শিল্লক্তুনা চীম্বাল্‌দা চুপ্লকদৌরিবা
হে ঈতা.........॥৩॥

রতিক্রীড়াদ রারদুনা মীৎ উইশিল্লরুবদা
ভুচুংলবা খজাইনা ফজগদৌরিবা
রাবদগী শিস্থরক্লুবা হুমাংনা হক্‌চাং চোৎলবদা
ঐগা শান্নগীংবদগী থোইনা খংলবা
হে ঈতা......॥৪॥

কোকিলগুম্না মুংশিনা খরদং গুাঙ্লুবদা
কামশাস্ত্রগী বাখল্ থাদোকদৌরিবা
লৈ-থেংলবা শম্জিনা শম্বুন থোক্লবদা
চাউরবা থবাক্তা খুজীন্না খাংকদৌরিবা
হে ঈতা······॥৫॥

মণিগী নূপুরনা খোঙ্দা মখোল্ থোক্লক্লবদা
রতিক্রীড়া পূম্বা থুংলগদৌরিবা
খাং শরীরা নাম্থোক্তুনা মখোল্ থোক্লক্লবদা
শম্গা লোয়ননা কোন্শিন্দুনা চূপ্কদৌরিবা
হে ঈতা······॥৬॥

রতিক্রীড়াদা মুংভাইমন্বনা হকচাং লেকথখ্রবদা
মীৎস্না থম্বালনা পোম্শাংনগদৌরিবা
চোক্থরবা হকচাংনা খুইরবা উরীগুম্ তাখ্রবদা
মধুসূদনবু রতিক্রীড়া শান্ননীংগদৌরিবা
হে ঈতা······॥৭॥

ঈশৈ অথোইবসীনা শ্রীজয়দেবনা শক্লিবা
কৃষ্ণগী নিধুবন্দা শান্নগল্লবা
পূক্নীং বারবী রাধানা হায়জরিবা
মুংভাইববু পীনবিরসনু রতি লীলাগা লোয়নরবা
হে ঈতা······॥৮॥

শাম্নবদা নাম্থোক্লবা বংশীবু খুত্তগী
পীশূম্ খোইথোইনরবী মুপী ময়াম্‌দগী
ওন্থোরক্লবা মীৎচিনা য়েংলিবা
খজাইবু হুমাংনা পুম্‌চোৎ চোৎলবা
ঐবু উরগা ঈকাইনা মোমোন নোক্লবা
মায়থোংনা মুংশিবনা শুম্মাংলবা
ব্রজগী শক্‌হেন্‌বীশিংনা কোয়শিল্লবা
গোবিন্দবু উরি হুরাওরি বন্দা ফজরবা ॥৯॥

য়েংবদা মারবা অনৌবা চরোং পীক্লা থিন্দোক্লবা
অশোক কৌবী উরীনা নৈশাৎ তম্লবা
পুখ্রী মপান্দা লৈবা বন মচানস্থু
অরাবা পীরি নাম্লিবা মুংশীৎনস্থু
কোয়পাই-পাইরিবা খোইমু অমোম্‌না
পুক্লীং হূনা ঙ্ং ঙ্ং ঙংবসীনা
য়েন্নীং চোংলবা হৈনৌ মতোল্‌সীদা
মুংঙাইবা পীদ্রেনে ঈতা ঐঙোন্দা ॥১০॥

মুংশি রাখল্ ফোঙ্‌বা মীনোক্তুগী
শাম্নবদা চোক্‌থখিবদগী কায়খ্রবা শম্‌জিগী
হরাও মুংঙাই ফোঙ্‌বা পীশূম্‌গী
অরেম্বদা উহন্‌বা পাম্বোম্না তংখায়'মা উৎলিবা থবাক্তুগী
অথূপ্পবু উরত্নুনা গোপীশিংগী
মতম্ কুইনা খনুরগা পাম্বু থাদোক্‌খ্রবা অতোপ্পগী

অনৌবা মওঙ্দা পূক্লীং শুম্নাংনবগী
মাঙ্হন্বিসম্থু কেশবনা অৱাববু নখোয়গী ॥১১॥

অম্থুম্না শ্ৰীমতীৱাধিকাগী পূক্লীংগী পাম্জবা মবুংঙোগা শান্নমিন্ন-জনীংবা ভাবপু কোংদোক্লি অনীশুবা সৰ্গ—'অক্লেশ-কেশব' অসীদা।

অহুম্শুবা সৰ্গদা লৈরে—'মুগ্ধ-মধুসূদন'।

শ্ৰীমতীৱাধিকা কায়নরবা শ্ৰীকৃষ্ণনা গোপী পুন্নমক্পু থাদোক্লম্লগা ইবেম্মা ৱাধাবু থিবা চংলক্লে। ইবুংঙোনা খঙিঙ,—নাপল্না হক্মন্-খিত্না শ্ৰীমতীত্থ শোয়দনা শাথীনা ৱারম্লগনি। অত্থবু কদাইদা মাবু থিবা ফংগদগে? জগৎ সংসারনা মাবু থিনরিবনি লেপ্তনা, অত্থবু ঙসিদি অত্থগুম্বা মাধব অত্থনা ঙাওত্থনা কোইথি-থিরি শ্ৰীৱাধাবু। জয়দেব কবিনা সৰ্গ অসীদা মত্থবু বৰ্ণনা তৌরি, ৱাধাগী প্ৰেমদা শুম্নাংলবা শ্ৰীকৃষ্ণগী অৱা-ৱাখল্ কম্দৌনা, কনাদা মানা খঙ্-হন্গনি, গোপী লক্ষা অমনা ক্নোয়শিন্দুনা লৈরবস্থ মাগী পূক্লীংনদি শ্ৰীমতীৱাধিকাদা লেপ্তুনা লৈরি। মরম অসীনা শুম্নাংলবা মধুসূদননা ঙক্লত্থনা মথন্নতা হায়জরি,—ঐগী থম্মোইন্থুংদদি মা নত্তনা কনাবু খোয়দারুবা লৈত্রি, মাগা ঐগা থানদ্রি, অত্থবু মপান্দা করিগী অম্থুম্বা অৱা-ৱাখল্ অসী পুত্থনা মৈচাক্ খাঙ্লিবনো?

শ্ৰীকৃষ্ণনা চান্নথোইরবীবু মফম্কৈদা লৈরম্গদগে থিরক্পত্থ শক্লি কবিনা, গুৰ্জ্জরীৱাগ যতিতাল্দা,—

মৌনহা ময়াম্না ঐবু ক্নোয়শিল্লিবত্থ উৱগা চথোক্খ্রে
ঐনস্থ খোইনা ইৱাল লৈখিবনা কিত্থনা খামহৌদ্রে
ওম্বোক্পনি লুনা তৌহৌদবদগী শাউত্থনা চংখ্রে মানা ॥১॥

করি তৌররিগবা করি হায়ররিগবা মানা মতম কুইনা কায়নরবসীদা
অঙ্গুম্না মরুপ্-মপাংনা করি কান্নগদগে য়ুম্বান্দুনা হিংবনা কৈদৌনি
ওম্হোক্পনি……॥২॥

মাগী মায়থোংবু খল্লি শাউমন্খিবনা পীগুম্ খেল্লবা
মথক্তা খোইমু য়োম্বনা অৱাবা পীরবা থম্বাল্ অঙাঙ্বগুম্বা
ওম্হোক্পনি……॥৩॥

থম্মোইদা লোয়নদুনা লৈরবী মাবু ঐনা ইতত্তুত্তনা থোইনা শান্নে
বনসীদা করিগী মাবু খোঙ্গুল্লীরুগদগে অরেম্বদা করিগী কপ্লুগদগে
ওম্হোক্পনি……॥৪॥

হে শাওঙ্-শাদা ঙ্কজবী খম্বন্বনা নঙ্গী থম্মোইবু ৱাহল্লে খল্লে
নঙ না ঙ্কদাইদা চংখ্রবগে হায়বা খঙ্হৌদ্রে অহুনা নঙ্ঙোন্দা
চঙ্জদ্রবনি
ওম্হোক্পনি……॥৫॥

নঙ্না ঐগী মাঙ্দা হঙ্গৎহন্দা চৎপগুম্ তৌরি হায়না উরে
মমাঙ্ঙৈগুম্না তরাম-তরান্না করিগী কোল্হন্দ্রিবনো
ওম্হোক্পনি……॥৬॥

হে ঙ্কজরবী ইরাল্ ঙাক্পিয়ু নঙ্কম্দা অম্নুম্না অমুক্ তৌররোই
ঐঙোন্দা অমুক্ উহন্বিরো মুংশি ৱাখল্না ঐবু চাক্লে
ওম্হোক্পনি……॥৭॥

হরিবু খুরুম্জরবা শ্রীজয়দেবনা লেংজৈ কায়ন-ঈশৈবু অসীগুম্বা
কেন্দুবিল্ব সমুদ্রদা পোক্লবা থাগী মশক্ ওইরবা
ওম্হোক্পনি……॥৮॥

অস্মুম্না জগৎকী মবুংঙোনা প্রেমগী মবেম্মবু কোয়খি-খিরক্লি। মাঙ্দা তৌখিবা মরাল্ অমুক্ তৌররোই হায়না দোষ স্বীকার তৌরি। প্রেমগী মবেম্মদা প্রেম-আশ্রয় লৌগে খিজরি। কায়ন মৈচাক লাংহুনা যমুনা তোর্ব্বান্দা কুঞ্জদা লেল্লক্লে মতম রানা। মবুংঙোগী অস্মুম্বা অর'-রাখল্ শক্লি মনাই ভক্তনা সর্গ অসীদা— মুগ্ধ-মধুসূদন।

'স্নিগ্ধ-মধুসূদন' কৌবনা মরিশুবা সর্গনি।

সর্গ অসীদা কবি জয়দেবন। শ্রীকৃষ্ণগী অরাবা রাখল্ কোক্-হন্দুনা মৈচাক্ ঈংথহল্লম্মী। মরম্ অসীমক্না সর্গ অসীগী মমিং স্নিগ্ধ-মধুসূদন থোল্লম্বনি। অতোপ্পা নুপীগা লোয়নননা প্রেম-লীলা শান্নরুবদগী ঈকাইখুম্বা শ্রীকৃষ্ণনা থরায় রানা শ্রীমতীবু থিবা কোয়চৎ চৎলম্মী। রাধাবু কায়নবদগী কুরি তৌগদগে খঙ্দনা মতম্ লেন্থি। পুক্নীংদা চিংনরম্মী, ইবেম্মনা কয়ামুক্ ঐবু শাউরম্খিগদগে হায়ব-সীদা মওল্ মওল্ খন্দুনতা লৈথি। অস্মুম্ তৌরিঙৈদা শ্রীমতীগী সখী অমনা লাক্কুনা কৃষ্ণগা উনরে অমম্মুং সখীগী পাউদগী শ্রীকৃষ্ণনা তারে, মহুদি শাউবগী রাদী লাপ্থুবনি, মাবু উদবদগী কায়ন-মৈচাক্ খাঙ্বা ঙমদ্রহুনা শ্রীরাধাহু মুংশাগী মৈশানা চাক্লবা থোৎ-নৌরবা লৈরাংগী মতোগুম্না কংশিনখে। শ্রীকৃষ্ণবুতা দর্শন ফংজ-নীংবনা পুক্নীং তপ্থদনা ঙাইহুনা লৈজরিবনি। অসীগুম্বা পাউসী তাবদগী মরাল্ লৈক্লরে খন্দুনা কিবা অমদি ইকাইবগী রাখলহু কোক্‌থিহুনা পুক্নীং ঈংথরে, মুংঙাইরে।

শ্রীকৃষ্ণগী মফমদা পীখিবা সখীনা থেম্জিন্ রাইশিংদু কবিনা অস্নুন্না শক্লি,—দেশ রাগদা একতালী তালদা,—

নীংথিরব লীক্ পরেংস্ থাঙ্গংলদ থবাক্রা
লুম্বগুম্ন থল্লেনে য়াঙ্গংলনী মহাক্ল
হে কেশব নঙগা কায়নবদগী রাধানা ॥১॥

ঈংনা চেংলন চন্দনস্ মনম মু শিরবা
হুগুম্ চিংলন উরেনে মশাদ তৌরবা
হে কেশব······॥২॥

হোল্লিবা শোরগী মুংশীংপুস্ শাংলবা থোইনা
পুরি মৈরিগা লোয়নরবা কামদেবগী মৈগুম্না
হে কেশব ·····॥৩॥

মায়কৈ শীন্না চাইথোক্লি পি মতুম্শিংগা লোয়নরবা
থম্বাল্গুম্বা মীংস্নাদা মখোক্তগী কেল্লবা
হে কেশব······॥৪॥

অনৌবা লৈগী ফমুং অহুস্ উরবা মীংনা
মৈনী হায়না চিংননা থল্লি মহুবু মানা
হে কেশব······॥৫॥

থজাইবু থাদোকে তঙাংবা খুং মতোন্না
য়াচঙ্বগী চীঙ্লেম্নবা অনৌবা থাগুন্না
হে কেশব······॥৬॥

হরি হরি হায়দুনা শোল্লি থোইনা পাম্জনা
শিনি হায়বা মওঙ্ গুম্ ওইদুনা কায়নবনা
হে কেশব······।৭॥

শ্রীজয়দেবনা লেংলবা ঈশৈ অসীনা
শ্রীকৃষ্ণগী খুয়াদা কথোক্লববু মুংঙাইহল্লসনু
হে কেশব······॥৮॥

অমুম্না, চাক্লবা লৈকংলাদা কুম্গী নোংহৌনা ফুদীৎ-ফুনা চুথবদা মৈচাক্ কোকৃপগুম্না শ্রীকৃষ্ণগী খাইন-মৈচাক্, কোকৃথি— সখীগী অমৃত বাণীধারানা।

মঙাশুবা সর্গগী মমিং কবিনা থোল্লম্মী "সাকাঙ্ক্ষ-পুণ্ডরীকাক্ষ"।

সর্গ অসীদা কবি জয়দেবনা সখীগী মচান্দগী শ্রীকৃষ্ণগী থম্মোইগী খৌরাংবদুবু শ্রীমতীদা হঙ্গৎচরি। শ্রীকৃষ্ণগা কায়নবদগী ইবেম্মসু অশিবগা মান্নখরে হায়বসী তারবমক্তদসু, খৌনা ফনা শ্রীকৃষ্ণনা রাধাগী মনাক্তা চেন্শিন্বা ঙম্লম্দে। অতোপ্পা মুপীগা লৈমিন্নরুবগী মরম্না মরাল্ লৈরে হায়না মপুক্লীংদা খন্থিবগী কিবনা মাধবনা শ্রীমতীগী অসীগুম্বা অরাবগী পংখৈ থেংলবদসু চঙ্বা ঙম্থিদবনি। মানা সখীদা হায়রম্মী, মাগী মপাউ পুবিদুনা তম্বিরু, মাবু পুবি-রক্তুনা উনহন্বিয়ু। মরম্ অসীদগী সখীনা হল্লক্তুনা কায়নবগী অরা মৈচাক্ খাঙ্লিবী রাধাদা কৃষ্ণগী হায়জ-বাশিংদু তম্জখি। শ্রীকৃষ্ণগী দূতীগী মশক্ ওইনা, ইবুংঙোগী থম্মোইনুংগী খৌরাংবা পাম্জবা বাদু ইবেম্মদা হঙ্গংচরগা সখীনা হৌজিক্মক্ হরিগা উনন-বগীদমক্ লেঙ্লসি হায়জরম্মী।

সখীগী পাউদম্ অসীবু কবিনা গুর্জ্জরীরাগ একতালী তালদা শরুম্মী,—

রতিসুখসারে গতমভিসারে মদনমনোহরবেশম্।
ন কুরু নিতম্বিনি গমনবিলম্বনমনুসর তং হৃদয়েশম্ ॥১॥

থোইনা খন্দুনা মুংঙাইববু রতিক্রীয়াদা
মদনবু শুক্কাৎনা লৈতেংলগা লাক্লবা ইঙ্গিৎ তৌখিবহুদা
হে নীংদা ফজবী থীম্বা তৌরমু চৎপদা
উনরু নঙ্গী থম্মোই-মবুংঙোবু মফমতুদা ॥১॥

ধীরসমীরে যমুনাতীরে বসতি বনে বনমালী
পীনপয়োধরপরিসরমর্দ্দনচঞ্চলকরযুগশালী ॥২॥

যমুনা মপান্গী মুংশীৎনা শীৎলবা নামিনা
বন্দা লৈহৌরি বনমালীনা
গোপীগী চাউরবা থবাকপু নৈহৎপা মানা
কৃষ্ণদো লৈতেংবা হৈ-শিংলবা খুৎনা ॥২॥

নামসমেতং কৃতসঙ্কেতং বাদয়তে মৃদু বেণুম্।
বহুমনুতে ননু তে তনুসঙ্গতপবনচলিতমপি বেণুম্ ॥৩॥

ইঙ্গিৎ তৌরিবা নমিং পন্দুনা
তপ্পা খোংলিবা বেণুনা
নঙ্গী হকচাংদা য়ৈরুরবা মুংশীৎনা
পুররুবা উফুল্ ফাওবা তৌজরি মুনা ॥৩॥

পতति পতত্রে বিচলতি পত্রে শঙ্কিতভবদুপয়ানম্।
রচয়তি শয়নং সচকিতনয়নং পশ্যতি তব পন্থানম্॥ ৩॥

উচেক্না পাইবদা কেন্‌বদা উনানা
লাক্নবোই নীংথুহুনা নঙ্‌না
কমুং শেন্মী য়েংঙি তথক্না
লাকদবা লম্বীদা নঙ্‌না ॥৪॥

মুখরমধীরং ত্যজমঞ্জীরং বিপুমিব কেলিষুলোলম্।
চল সখি কুঞ্জং সতিমিরপুঞ্জং শীলয় নীলনিচোলম্॥৫॥

থাদোক্নো নুপূরদো চীম্বীবা
য়েক্নবগুম্বদু শান্নবা হাই-হুন্নবা
শেংকংলো ঈন্না ফীজোল্ অশংবা
চংলো কুঞ্জদা শূক্না মন্নবা ॥৫॥

উরসি মুরারেরুপহিতহারে ঘন ইবতরলবলাকে।
তড়িদিব পীতে রতিবিপরীতে রাজসি সুকৃতবিপাকে॥৬॥

অনৌবা নোংগুন্নবা মুরারীগী থবাক্তা হাই-হুন্না
শিরিবা লীক্না পাইবগুম উরোক্ পরেংনা
ওন্নবা রতিক্রীড়াগী মতম্‌দা নাপু মান্নবী কুচুনা
ভানগনি নোংথাংগুম পুন্থ কলনা ॥৬॥

বিগলিতবসনং পরিহৃতরসনং ঘটয়জঘনমপিধানম্।
কিশলয়শয়নে পঙ্কজনয়নে নিধিমিব হর্ষনিধানম্॥৭॥

শেৎন-ফীজোল্ য়াওদনা
থুম্‌জিন্নুহ্ কৈগনু খ্বাং শরীক্ য়াওদনা

উনা অনৌবগী কমুংদা হে খল্লাল্ মাঙবী মীৎসানা
ওইহল্লু তুংনফম্ হুংঙাইবনা ।।৭।।

হরিরভিমানী রজনিরিদানীমিয়মপি যাতি বিরামম্ ।
কুরু মম বচনং সত্বররচনং পূরয় মধুরিপু কামম্ ।।৮।।

চাউখোক্পনি হরিসে
হৌজিক লোইখিদোরে অহিংসে
থুনা তৌরো এনা হায়রিসে
থুংহল্লরো কৃষ্ণগী অপাঙ্গসে ।।৮।।

শ্রীজয়দেবে কৃতহরিসেবে ভণতি পরমরমণীয়ম্ ।
প্রমুদিতহৃদয়ং হরিমতিসদয়ং নমত সুকৃত কমনীয়ম্ ।।৯।।

শ্রীজয়দেবনা হরি সেবা তৌজরবা
লেংজে থোইনা নীংথিজরবা
পূরীং হরাওনা থৌজাল্ হৈরবা
খুরুম্মীয়ু হরিবু পুন্যনা লৈতেংলবা ।।৯।।

শ্রীকৃষ্ণগী অপাম-মুংশি উখৌলাংবা, তম্নে সখীনা মবেম্মদা, লেঙলসি উনবা ইবুংঙো, থুংনরো নীংবা মবানীগী—শক্তি কবিনা সর্গ অসীদা, সাকাঙ্ক-পুণ্ডরীকাক্ষ ।

তরাকৃতমা সর্গনা "ধৃষ্ট-বৈকুণ্ঠ" কৌই ।

সখীগী মচৌদদা শ্রীকৃষ্ণগী খাইনা-মেচাকী অবাবা ফিভম্ তারবমক্তদসু শ্রীমতীরাধিকানা উরী-লাংপোক খুদোক্তনা অভি-সারগী চংথিরম্‌দে । [illegible] খৌজিকুমকু চেমীংলে অহুবু

নম্থবা য়াত্রবা দুর্জ্জয় ওইবা অভিমান অমনা য়োংহ্লিংগী মতৌগুম্না খোঙ্দা পুন্শিন্দুনা লৈখ্রে। মরাল্ লৈরবা মশানা লাক্নুনা হায়জরত্রবদি মান অসী কায়গনি হায়বা থাজদ্রে। করি তৌগদগে হায়বহ্ন সখীশিংনা চপ্ চানা লেপ্পা ঙম্খিদ্রে। রাধাকৃষ্ণ অনীগী তিন্নবা—মিলন নত্তনদি মখোয়গী মুংঙাইজবদি করিস্নু লৈজদবীনি। অদুনা সখীনা অমুক্স্নু কৃষ্ণগী মফম্দা চংখ্রে! শ্রীমতীগী শাথীরবা অভিমানগী বাহ্ন কুপ্শিন্দুনা থম্নগা শ্রীকৃষ্ণদা হায়রখি,— নঙ্ কায়নরদা রাধাগী থম্মোইগী অব্রাবদি করি হায়রুনি! মহুদি করিগুম্বা তয়াং-তশোইহ্নুনা অমদি মরাল্ লৈরবগী অকিবা অদু কাউথোক্লগা শ্রীমতীগী অশাউবহ্ন নেমথহন্নবগীদমক্ ইবুংঙোনা রাধাগী কুঞ্জদা অমুক্ মান-ভীক্ষারী ওইদুনা লেঙ্বিরবদি শ্রীকৃষ্ণগী পুক্নীংদি বৈকুণ্ঠ ওইরগনি। অসীগুম্বা রস অসীমক্পু শন্দোক্লিবনি জয়দেব কবিনা সর্গ অসীদা—ধৃষ্ট-বৈকুণ্ঠ।

মতুংসীদা চৎপা ঙম্দ্রবী কুইনা নীংজরবী
উরহুনা রাধাবু উরী'য়ুম্দা লৈরিবী
পাউদম্খি কৃষ্ণদা মতানা চান্নবী
মাগী লম্চৎপু মুংশি-চৈনা খাঙ্লবী॥

শৈশক তম্খি গুণকরী রাগদা-রূপক তালদা অস্নুম্না,—

পশ্যতি দিশি দিশি রহসি ভবন্তম্।
ত্বদধরমধুরমধূনি পিবন্তম্॥
নাথ হরে সীদতি রাধা বাসগৃহে॥

য়েংহৌই মায়কৈ অকোয়বা মথন্তা মকম্দা চীক্লবা
মাগী চীম্বাল্ থুম্নবা নঙ্বু অমৃত থক্লিবা
মপু ওইবা হে ইবুংঙো হরি রাধাদি কুঞ্জদা বানা লৈরি ॥১॥

স্বদভিসরণরভসেন বলন্তী
পততি পদানি কিয়ন্তি চলন্তী ॥২॥

ননাক্তা চংকনি লেপ্লিবী থৌনানা পাঙ্গল্ কন্থংলবী
অরা-খোঙ্থাং থাংলবী মহাক্নী তুদুনা লৈহৌরবী ॥২॥

বিহিতবিশদবিসকিশলয়বলয়া।
জীবতি পরমিহ তব রতি কলয়া ॥৩॥

শিহুনা অঙৌবা থম্বৌগী খুজি অনৌবা উনাগী
লৈরি থরায় মাগী নঙ্গা শাম্নখিনি খন্বদগী ॥৩॥

মুহুরবলোকিতমণ্ডনলীলা
মধুরিপুরহমিতি ভাবনশীলা ॥৪॥

য়েংই শান্নবহু হন্না হন্না চান্নবগী মতৌ তম্দুনা
ঐহাক্ কৃষ্ণনি অসুম্না বাখল্ থম্লি মহাক্না ॥৪॥

ত্বরিতমুপৈতি ন কথমভিসারম্।
হরিরিতি বদতি সখীমনুবারম্ ॥৫॥

লেঙ্লক্তবগে করিগী হরিনা হায়নবা মকম্দা থুনা
চান্নবী মতা ঐঙোন্দা-হন্না হন্না হায়নে মানা অসুম্না ॥৫॥

শ্লিষ্যতি চুম্বতি জলধরকল্পম্।
হরিরুপগত ইতি তিমিরমনল্পম্ ॥৬॥

কোল্লি চুপ্পি মানা লৈচিলগুম্না মুরবা শূক্রা
লাক্লে হরি অশূম্না মম্নবা শূক্রা ॥৬॥

ভবতি চিলম্বিনি বিগলিতলজ্জা
বিলপতি রোদিতি বাসক সজ্জা ॥৭॥

থীল্লবসীদা নহাক্লা ঈকাইবা পুম্বা খাদোক্লবী
কপ্পি তেংথাহুনা বাসক শয্যা শেম্লিবী ॥৭॥

শ্রীজয়দেবকবেরিদমুদিতম্
রসিকজনং তনুতামতিমুদিতম্ ॥৮॥

শ্রীজয়দেব কবিনা শক্লবা ঈশৈসীনা অসীগুম্বা
ভক্তশিংবু রস খঙ্লবা পীনরসম্থু থোইনা মুংঙাইবা ॥৮॥

অসীদা নত্তে কয়ামম্থু ছাম্নরিবনি—ইমুংঙো ! ইবেম্মনা নঙবু কংজগত্রা থগ্নহুনা ইম্না ইম্না লৈতেংই মশাদা, উনা লেঙঙকৃপদা নঙনা লাকপোই খম্লুইদো, বাখল্ থম্না থম্না উনাগী কম্মুং শেম্মিদো, মশাবু লৈতেংজবা, শয্যা শেম্না, নঙবু নীংজবা অসীগুম্না মুংঙাইবা চাম-চাম থগ্নহুনম্থু নঙ য়াঙত্রবদা অহিং অসীমকৃপু লেনগনি খল্লেনে ঐদি ।

অসীনচিংবা মুংশি-বাহৈ কয়ানা সথীনা মবেম্মগী পুক্নুং পাউজেল্ পীজহুনা মবুংঙোবু পুররুবা হোৎনজগী থোয়থুম্নবা ভাব ধারাম্থু উৎলি—কবি জয়দেবনা মাগী কাব্যগী তরঙ্কগুবা সর্গ—ধৃষ্ট-বৈকুণ্ঠদা ।

তরেৎশুবা সর্গ অসীগী মিংথোল্ পীরম্নে ভক্ত-কবিনা —
"নাগর-নারায়ণ"।

অহিং থেঙ্ জিল্লক্লে, নোংমদোন্থক্তা অমক্পা লৈত্রবা মপুম্ কারবা থাগী থাবল্লা বৃন্দাবন শীম্নুংনা অশোবা ফীজংনা কুপ্পগুল্লা নীংথিরি। শ্রীমতীরাধিকানা থাঙভমত্রবা কায়ন-মৈচাক্ থাঙ্ হুনা কুঞ্জভবন্দা ফম্‌হুনা লৈরি শ্যামবু ভাইদুনা। অদুবু শ্যামদি হৌজিক্ ফাওবা লাক্পিদ্রি। হক্চাংদা তৈবা মৃগমদ চন্দন কংথরে, কংথরে ভক্শম্‌দা শিবা মালতী পরেং। সখীনা মবুংভোবু লৌরুগনি চংথি, অমম্বদা শ্রোং-পেক্ লাউরক্পদা তথক্-তথক্ য়েংথংলক্‌ই, মবুংভো নাগরবু পুহুনা সখী থুংলরবোই থল্লুই। অদুবু······ওঃ······ য়াওরক্লে, মাদি, সখীদমক্ হল্লক্লে, মায়থোং লাংশিল্লা। মীৎলু নাপোম্ পিনা থুম্না ইবেম্মনা থল্লক্‌ই, মবুংভো নারায়ণহু ভসিদি নাগর ওইনা অতোপ্পা মুপীগা লোয়ননা অহিং লেন্মিল্লখ্রবোই। সখীগী মফম্‌দা কোংনা কপ্ থোরক্লে ইবেম্মহু। মমাংদা চপ্ চপ্ লেপ্পবগুম্ তোররে, অতোপ্পা মুপীগা শান্নমিল্লরিবা মুংশি-ঈপাক্তা লুপ্পিবা মাধবগী মূর্ত্তি,—নাগর নারায়ণগী শক্তম্। শ্রীমতীরাধিকাগী অবা-তেংথাখোল্গী মমুংদা কবি জয়দেবনা সর্গ অসীদা অসীগুম্বা মাধবগী অতোপ্পা মুপীগা শান্নমিল্লবা প্রেম-লীলাগী শক্তম্বু কোং-দোক্লি।

রাধাগী বিভম্ শক্লি,—

খোল্লবদা নীংথিবা খাগী মকোয়না
থাল্লবদা লৈঙ্ ভক্পা মাধবনা।

খোঞ্জেল্ বাংনা তেংথানা কপ্লবী
মৈচাক্ খাঙ্‌খি রাধানা ৱারবী ॥

থম্মোইনুংগী অৱাবতু খোম্থোক্লা কপ্লকৃই,—কবিনা শক্লি মতু মালব রাগদা যতিতালনা,—

ওম্থোক্পনি হায়নখিবা মতম্‌দা
লেঙ্‌বিরক্লে হরিনা বনসিদা
অরেম্বা ওইরে ঐগী অসীগুম্বা
অনৌবা নহাগী মায়থোং নীংখিবা
হে ইবুংঙো কনাদা চঙ্‌জসিগে মতম্‌সিদা
ঈতাশিংগী ৱানা নম্‌থাক্ তৌরবী ঐঙোন্দা ॥১॥
উনজনীংবনা মাগা বনসিদা
লেল্লবনি অহিং শুক্লবসিদা
ঐগী থম্মোইসীবু মানা
থিল্‌হল্লে মুংশি তেল্‌না ॥২॥
শিবনা হেল্লা করে ঐদি পঙ্‌লবী
কাম্নত্রবা হকচাং পুরবী।
করম খাঙ্‌লসিগে অসীগুম্বা
কায়ন-মৈচাক্‌পু খাঙ্‌ডম্‌ত্রবা ॥৩॥
ৱাহন্‌বীরে ঐবু ওম্থোক্লা
বসন্তগী নীংথিরবা অহিংসীনা।
লোয়নরিগনি কৃষ্ণবু শোয়দনা
মপোক্‌ঙবী কনাগুম্বী মুপীনা ॥৪॥

য়াননবনি থল্লেনে শিরিবা
মণিগী খুজি-নাচি লৈতেং পুন্না।
হরি কায়নবগী মৈবু পুবনা
অয়াবনিদা ওম্থোক্লা ॥৫॥

নৌরবা হক্‌চাংদা লৈগুম্লা
কামদেবগী তেল্‌না থাবগুম্লা।
থবাক্তা শিরিবা লৈ-পরেংসীনা
ওংলিনে ঐবু তম্‌থীবা ওইহনা ॥৬॥

ঐনা লৈরিনে মকম্‌গীদা
বনগী লী-তিংথংবু থল্লুদা।
নীংশিংত্রমাল্লে ঐবু মধুসূদনস্থ
মাগী পুক্নীংনা থজিক্তস্থ ॥৭॥

খুন্না থম্বালদা চণ্ডজরবা হরিগী
ঈশৈসীনা জয়দেব কবিগী।
লৈরসন্থ থম্মোইদা তনৌবীশিংগুম্লা
থোংলবী তিন্নবী রতিকলানা ॥৮॥

সখীগী সান্ত্বনা তান-তানা কৃষ্ণ বিরহগী মৈচাক্লা দেহ পুবা ওমলক্ত্রহনা ইবেম্মনা প্রাণ উৎসর্গ তৌহনা হায়রক্‌ই,—

চাক্লরো মলয়া মুংশীং! মুংশিরস্থ ঐবু
পঞ্চবান! লৌররো থবায়, হন্‌হন্নস্থ য়ুমদা ঐবু
কালিন্দি, হে যম্‌গী মচন্! মুংশিরস্থ ঐবু
ঈংলসন্থ শিরগা মৈচাক্‌সে, পুবিরো নঙ্গী ঈথক্তা ঐবু।

অস্থুমা ইবেম্মগী অরোইবা রাখল্ থাদোকখ্রে। সংসারসিদা করিমতা থাক্তে মাগীনি হায়বা। ইবুংঙোবু ফংজবা নত্তনা অপাম্বা লৈতে করিস্থ। ইবুংঙো ফংদনা লৈববুদি শিখিবনা ফরে লেপ্-খরে চপ্ য়ুংনা। অসীগুম্বা অরোইবা অরা-রাখল্ অসীবু শক্লম্মী প্রেম পূজারী জয়দেব কবিনা মাগী মহাকাব্যগী তরেৎশুবা সর্গ— 'নাগর-নারায়ণ' অসীদা।

নাগর-নারায়ণগী মথংদা লেংলম্মী কবিনা "বিলক্ষ-লক্ষ্মীপতি" নিপাল্শুবা সর্গগী মমুংদা।

অহিং চুপ্পা লেন্খ্রে ঙাইবদা, ঙাইবদা, চান্নথোইরবত্তবু ঙাই-বদা। কৃষ্ণসি লাক্রে! কৃষ্ণসি লাক্রে! রাখল্সিদা অহিং নোং-শোইবা মীৎ খপেৎ চিংদে, ইবেম্মত্থ। খন্না খন্না নোংঙাল্লমদাই ওইরক্রে। থম্মোইমুংগী অরা-মৈচাক্ খাঙ্বদা হক্চাং তনিক্ তনিক্রা লৈজরি শ্রীমতী। অভিমান-না মীৎম্না থম্বাল্ ঈরা হৌ, থম্বাল্-লকাশুম্ তঙাং-তঙাংলি। অম্মুম্ তৌরিঙৈ তাঞ্জাসিদা, অয়ুক্ অঙন্বদা, মরাল্ লৈরবশুম্ শ্রীকৃষ্ণ তপ্না তপ্না য়ৌরক্লে শ্রীমতীগী কুঞ্জদা। কোক্ নোম্না বা ঙাঙ্দনা চপ্ লেপ্লরে কিখি-কিরুম্মা। শ্রীকৃষ্ণ উরগা ইবেম্মগী অশাউবত্থ শন্নক্ চাম হেন্নৎখ্রে। উরে, অতোপ্পা মুপীগা লোয়ননা মুংশি-কুশৈ শান্নরুবগী তশেং-তশেংবা থূদম্ উৎলিমে ইবুংঙোগী হক্চাং পূম্বদা, হিজেং লৈতেংনা। কোন্নরুবনা, মোইহৎলুবনা কংশিল্লে ঙক্তা থোল্লিবা লৈপরেং, মীৎকী কাজলশু তৈপোকখরে।

অহুনা, ইবেম্মনা শাউরহুনা হায়রক্‌ই,—হে কৃষ্ণ! পাঙল্‌-শোন্‌বী হাৎকে হায়বগীদমক্‌ মহাক্‌ পোক্লবনি। ওসিদি বাসী অচুম্বনি হায়বা তশেংনা খঙ্‌লে। ঐনা হায়জরি, হে ঈকাই খঙ্‌দবা! মফম্‌ অসাদগী চৎপিখ্রো। অসুম্না ইবেম্মনা শাউহুনা নিন্দা তৌবা হৌরক্‌পদা লক্ষ্মীপতি শ্রীকৃষ্ণহু বিলক্ষ ওইহুনা হায়বদি চঙক্লহুনা য়েংহুনা লৈখ্রে,—ইবেম্মগী মায়কৈদা।

জগৎ নায়ক-নায়িকা অনীগী লীলা খুদুং ইগুরিবা কবিনা অসুম্না শক্তি মতাং অসীবু,—ভৈরবী রাগ, যতি তাল্‌দা,—

রজনিজনিতগুরুজাগররাগকষায়িতমলসনিমেষম্‌
বহতি নয়নমনুরাগমিব স্ফুটমুদিতরসাভিনিবেশম্‌।
হরি হরি যাহি মাধব যাহি কেশব মাবদ কৈতববাদম্‌
তামনুসর সরসীরুহলোচন যা তব হরতি বিষাদম্‌॥

অহিং চুপ্পা তুমক্রবনা ভাঙ্‌লে পাঙ্‌দরে মীৎস্নাহু ইবুংঙোগী
থম্মোইমুংগী মুংশি-রাথল্‌ কোংলেনে মীত্তা অনুরাগ অহিংগী।
লাকৃপিরমু কেশব চৎপিখরো মাধব ভাঙ্‌বিরমু রাহু মীনম্বা
তুং ইন্‌বিরুরো নীংথুংহন্‌বীগী হে হরি মীৎস্না থম্বাল্‌ মাল্লবা॥১॥
কাজলনা মুববা মীৎস্নাহু চুপ্লুবনা খোইনা নীংথিরে অমুবা কুচু
ওইখরে লোইনা কৃষ্ণ চীন্‌ য়া অঙাংবা ফীজোন্‌ মশাগী কুচু॥২॥
সনাগী ময়েক্লা রতিজয়গী শুদম্‌ য়েক্‌পগুম্‌ মরকত মণিদা
লৈরে ভাঙ্‌বা কামতনুগুম্‌ থৌরবা খুজোল্‌ মরুদ্‌ মুরৈনবা
হক্‌চাংদা॥৩॥

লৈতেংদে চঙ্‌থোন্না থবাক্ অলক্তক রাগনা খুয়া থম্বাল্ নৌরবা
মপান্দা কোংলে অনৌবা প্রেমতরুগী নায়োল্ অনৌবা ।।৪।।

চীম্বাল্ থক্-খাদা য়াথুল্ উরগা বাজরি ঐগী থম্মোইনা
ইবুংঙো হৌজিক্‌পু নঙ্গী ঐগী হুক্‌চাং অমত্তনি হায়সিগে করম্মা ।।৫।।

মপান্দগী হেন্না মুরম্মনি মমুংদা কৃষ্ণ নহাক্‌সিদি শোয়্দনা
নজদি নুংশি তেন্না পান্নবী চঙ্‌জরিবীদা মীনম্নি করম্মা ।।৬।।

রূপী হাৎপা কোয়্রিবনি বন খুদীং নঙ্‌সে ভকৃক্‌ম্ লৈতে কৈস্ু
পুতনা হাত্তুনা অঙাং ওইরিবৈন, নুংশি হৈতবদ চৎলবনি নমিংসু ।।৭।।

শ্রীজয়দেবনা লেংজবা নুংশি মৈনা চাক্লবী কায়নরবী নৌরবীগী
নুংশিবা-মেঙ্‌লবা-ফংঙম্‌দ্রবা তেংখাখোল্‌নি অমৃত ভম্‌জবা স্বর্গগী ।।৮।।

অসীদা নত্তে ইবেম্মনা হায়জখিবসি মবুংঙোদা,—পেন্দে চৈবগী, নেম্বা লৈতে অশাউবছ, মায়থোং উর-উরগা হেঙ্গংলি। অস্নুমস্ু হায়, পুক্লীং কাজিন্দুনা থম্বন্‌বগী মওঙ্‌দা,—নঙ্গী কুইনদগী থুম্নক্‌পা নুংশি য়াথল্ অতোপ্পগী কোঙ্‌লে ঙসিদি। অদুবু শাউজদে. খন্‌বিগন্নু, নঙ্গী লম্‌চৎসিদা চুম্না ঈকাইজবতনি ঐদি। "নঙ্গী বংশী খোঞ্জেল্ তাবদা ওক্ষৎলবা গোপীশিংগী শর্মজিরৈ নাম্ববনি, কোক্ ঙাওহুনা থবক্ লেপ্পনি য়ুম্‌দা, য়ুম্‌দগী নমহুনা চিংথোক্‌পনি ঐখোয়্‌বু।"

অসীগুম্বা লাইশিংগী পুক্লীং হরাওহন্‌বা, তম্থীরবা হিংচা-ম্নাইতম্বশিংদনা কিহন্‌বা মন্ত্রগুম্ বংশী খোঞ্জেল্ অসীনা জগৎকী

মঙ্গল ওইহন্‌বিসম্ভু হায়না লোইশিল্লি কবিনা নিপাল্‌শুবা সর্গ—
"বিলক্ষ-লক্ষ্মীপতি"।

মাপল্‌শুবা সর্গগী মমিং 'মুগ্ধ-মুকুন্দ' কৌই।

ইবেম্মনা শাউমন্‌খিবনা তাম্মোক্‌খরে শ্রীকৃষ্ণভু। অতুগুম্বু লুরিবদি, তাম্মোক্‌খিবা অতুগী রাধন্দা কম্ভুনা ওাইরক্লিবনি মথন্তা বানা, মীকৃপ্‌ খুদোং মাবুতবু পুক্লীংদা থম্‌ভুনা খাঙ্‌জরক্লিবীনি। অম্বম্‌ তৌরিঙৈদা সখী অমা চঙ্‌লক্কুনা অরাবনা মৈহৎলবী ইবেম্মবু নিন্দা তৌনা হায়রক্‌ই,—চান্নবী ইবেম্মা করিনো তৌখ্রিবহুবো শাউমন্‌খিবনা মথোংথোংনা লাক্লম্নবা মাধবপু থীনা চৈহুনা তাম্মোক্‌খ্রবা। তাম্মোক্‌খ্রবা তুংসিদা অমুক্‌ করিগী কপ্পুনা লৈরি? উত্রা, নঙ্‌গী কিভম্‌ উরগা সখীশিং লোইনা নোক্লিসে!

হৌজিক্‌ অমুক্‌ সখীশিংনা শ্রীকৃষ্ণবু পুরক্নবা হোংনরে। ইবেম্মদা ভাব তানবা হায়রক্‌ই,—অমুক্‌ কৃষ্ণবু পুরক্নবা হোংনরগে, অতুগা য়েংউ, হন্দক্‌মুক্‌ শাউরিবনি হায়হুনা মাবু অমুক্‌ তাম্মোক্‌পদি য়াররোই!

চংখিহুনা তম্মুরে ইবুংঙো কৃষ্ণদা রাধাগী তুংদা নিংঙম্মহৌদবগী অবা-রাথল্‌। তারগা ইবুংঙোম্ভু জ্ঞান তাখিত্রে, পুস্পম্‌-মমখ্রে, তৌকম্‌ খঙ্‌ত্রে। সখীশিংনা হায়বা তুংইন্না হংনা শাবগুম্না অমুক্‌স্তু ইল্লক্রে ইবেম্মা রাধাগী কুঞ্জভবন্দা।

লীলাসীবু বর্ণন তৌজৈ ভক্ত-কবি জয়দেবনা সর্গ অসীদা শরুপ্পী শৈরেংসী রামকিরীরাগদা যতি তালনা।

লেঙ্লক্লে হরি নামিবা মলয়া ঈরোইনা
সখি হুংঙাইবা সিদগী করি নৈবা হেন্না
শাউরগনু মাধবভা হে শাউগন্বী নঙ্না ॥১॥

কোনামহৈগুম্ কন্না লুম্লবা থবাক্সে তনৌরবী
করিগী তোক্কনি মহৈ য়ান্দনা চান্নরবী ॥২॥

কয়ারক্ হায়খ্রে ঐখোয়না ইবেম্মা নংঙোন্দা
থাদোক্কনু পুক্নীং হূবা কৃষ্ণবু কৈদৌনুংদা ॥৩॥

করিগী ঝারিবা কবিগী কল্পিবা
নোক্নরী নমান্নবী মুপীশিং নতৌ নঙ্গী উরিবা ॥৪॥

মেঙ্লবা ফমুংথক্তা থম্বাল্ লৈকাগী
মহৈ য়াল্লো মায়খোং য়েংহনা হরিগী ॥৫॥

অতুক্ ঝারিবা থম্মোই শোক্না করিগী
তাও ঐগী ঝা কোক্কনি অবাবা কায়নবগী ॥৬॥

লাক্লসনু হরিহু ঙাঙ্লসনু ঝা থূম্নবা
করিগী সখি অসুক্ য়াম্না ঝাবিবা ॥৭॥

শ্রীজয়দেবনা শক্চবা পুক্নীং হূনা হুংশিবা
হরিগী লীলানা হুংঙাইহল্লসনু রস পাম্বা ॥৮॥

অসুম্না সখীশিংনা ইবেম্মবু থেম্জিল্লহনা শ্রীকৃষ্ণগী মকম্দা শাউবা থাদোক্লবা তক্লজবা লাক্লরি। অঙকপনি হুংশি-শাজং! মাবুতবু ঙাইজরিবা—মখোং খোংনা লাক্লগনা তাম্মোকপা! ভাবসী উৎকে লাক্লবনি সর্গ অসীদা কবিনা। লাইশিংনা ইবুংঙো মাগী

শ্রীচরন্দা তাহুনা খুরুমজবা, তাইবংগী অরাবা কোক্পিবা ইবুংঙো মাগী খোঙথম্বালনা কোক্পিরসনু ভক্তশিংগী অরাবা, শকৃচৈ জয়দেবনা ॥

"মুগ্ধ-মাধব"—তরাশুবা সর্গনি।

সখীশিংনা শ্রীমতীবু নিন্দা তৌই। করিগী মুংশি-খঙদবী ওইদুনা অভিমান্না শাউদুনা শ্রীকৃষ্ণবু তাম্থোক্খিব্রা হায়দুনা। সখীশিংগী ব্রা তারগা ইবেম্মনু শাউবা খরা খরা হন্থরক্লে। কুঞ্জনু মম্শিল্লক্পগা লোয়ননা ইবেম্মগী কৃষ্ণ কায়নবগী রাখল্ অদুমু অস্নুম্ অস্নুম্ হেঞ্জিল্লক্লে। তাঙ্গাসিদা কুঞ্জগী মপান্দা অকংবা উনালক্তা তপ্লপ্ তপ্লপ্পা খোঙথাখোল্ অমতং তাগুম্ তৌই। নুংশীংনা চন্দনগী নুংশিবা মনম্ পুরক্লুনা তাহল্লে। তনিক্লা ইবেম্মনা মায়খোং থাঙ্গৎতুনা য়েংখিবদদি মাঙদা লেপ্লম্লে শ্রীকৃষ্ণ। অস্নুম্না অমুক্ হন্না শ্রীকৃষ্ণবু উবদা ইবেম্মগী থম্মোইনুংদা হরাও-নুংঙাই রাখল্না ঈথক্ হোরে, ইকাইনা সখীশিংদা য়েংলম্মী। সখীশিংনা ইবেম্মগী মীৎয়েং অদুগী অর্থ খঙলদুনা তুমিন্ তুমিন্না মকম্থুদগী হন্দোক্লখরে। মতাং অসীদনি পুম্শুম্ শুক্লাংলবা মাধবনা খুকউ লৈতানা ইবেম্মদা হায়জখিবা—"পীনবিরো নখোঙ থম্বাল্ নীংখিবা"।

শ্রীকৃষ্ণনা, প্রেমগুরু ওইবী রাধাগী মকম্দা হায়জরকপা রাশিংঙু দেশবরাড়ী রাগদা অষ্টতালদা শকৃখি কবিনা,—

বদসি যদি কিঞ্চিদপি দন্তরুচিকৌমুদী
হরতি দরতিমিরমতিঘোরম্।

স্ফুরদধরসীধবে তব বদন চন্দ্রমা
রোচয়তি লোচন-চকোরম্ ॥১॥

মুংশি বাঙাও‌্'মত্তদা থোক্লকৃপা থাবলগুম্ নঙালনা য়াগী
কোক্লসমু ঐগী অকিবা অমম্বা থম্মোইগী
নঙ্গী মাইথোং থাগী অমৃত থক্লীংলবা
ঐগী মীৎ-নোংইস্নি ঙাওরবা ॥২॥

প্রিয়ে চারুশীলে মুঞ্চময়ি মানমনিদানম্।
সপদি মদনানলো দহতি মম মানসম্
দেহি মুখকমলমধুপানম্ ॥২॥

মুংশিরবী ইবেম্মা থাদোক্লো শাউরিবা মরম্ লৈতনা।
চাক্লে থম্মোই-লকাসে মুংশি মৈনা তত্তনা
শীনবিযু মায়থোং-থম্বাল-লৈহী নঙ্না ॥২॥

সত্যমেবাসি যদি সুদতি ময়ি কোপিনী
দেহি খরনয়নশরঘাতম্।
ঘটয় ভুজবন্ধনং জনয় রদখণ্ডনম্
যেন বা ভবতি সুখজাতম্ ॥৩॥

নীংথিবী অওইবমক্ ওইরবদি য়ারোবদু
থারো অথোবা মীৎচিগী তেনদু।
পুক্লো পাম্বোম-খোরীনা য়ানা কয়া চীক্লরো
হে রাধে শীনিংবা দণ্ড শীররো ॥৩॥

ত্বমসি মম ভূষণং ত্বমসি মম জীবনম্
ত্বমসি মম ভবজলধিরত্নম্।

ভবতু ভবতীহ ময়ি সততমনুরোধিনী
তত্র মম হৃদয়মতি যত্নম্ ॥৩॥

লৈতেংনি নঙ্না ঐগী থরায়নি নঙনা ঐগী
মুক্তানি সংসার সমুদ্রদা ঐগী।
ঐবু মতম্ পুম্বদা নীংবিয়ু নঙ্না
থম্মোই-লল্লি ঐগী মতুতনা ॥৪॥

নীলনলিনাভমপি তন্বি তব লোচনম্
ধারয়তি কোকনদরূপম্।
কুসুমশর-বাণ-ভাবেন যদি রঞ্জয়সি
কৃষ্ণমিদমেতদনুরূপম্ ॥৫॥

শাওং ফজবী মীৎয়া থম্বাল্ অশংবতু নঙ্গী
ওইখরে অঙাংবা মতৌ থম্বাল্গী।
লুংশি-মীংয়েং :তন্না অমুবা কুচুবু ঐগী
ওন্বা ওম্লবদি খঙ্গনি গুণ নঙ্গী ॥৫॥

স্ফুরতু কুচকুম্ভয়োরুপরি মণিমঞ্জরী
রঞ্জয়তু তব হৃদয়দেশম্
রসতু রসনাপি তব ঘনজঘনমণ্ডলে
ঘোষয়তু মন্মথনিদেশম্ ॥৬॥

ওান্সমু মণি পরেংনা থবাক্'থক্তা
ফজহন্সমু নঙ্গী থম্মোই থক্তা।
নোয়রবা ফৈবোম্থক্তা য়াম্বরক্লিবা খ্বাং শরীরা
লুংশি-পাউজেল্ খঙ্হনসমু ঘোষোক্লা ॥৬॥

স্থলকমল-গঞ্জনং মম হৃদয়রঞ্জনম্
জনিত-রতি-রঙ্গ-পরভাগম্।
ভণ মসৃণ-বাণি করবাণি চরণদ্বয়ং
সরস-লসদলক্তকরাগম্ ॥৭॥

স্থলকমল ঙম্‌জবী ঐগী থম্মোইনৈতেং ওইরিবী
রতিরঙ্গদা থোইনা নীংথিরিবী।
খঞ্জগে ঈখুৎনা অলক্তকরাগ চরণ অনীদা
পীবিয়ু মুংশিরবী নয়াথংদা ॥৭॥

স্মর-গরল-খণ্ডনং মম শিরসি মণ্ডনম্
দেহি-পদপল্লবমুদারম্।
জ্বলতি ময়ি দারুণো মদনকদনানলো
হরতু তদুপাহিতবিকারম্ ॥৮॥

মুংনজগে মুংশি-মৈচাক্‌পু ওইনজগে কোক্কী লৈতেংবু
পীনবিরো নীংথিবা নখোঙ্-থম্বাল্‌বু।
চাক্লি মুমীৎকী মৈশাগুম্ মুংশি-মৈনা থম্মোইদা
ঈংহল্লো পুক্নীং হক্‌চাংশী মৈচাক্‌সে ঐভোন্দা ॥৮॥

ইতি চটুল-চাটু-পটু চারু মুরবৈরিণো
রাধিকামধি বচনজাতম্।
জয়তি পদ্মাবতী-রমণ-জয়দেব কবি –
ভারতী-ভণিতমতিশাতম্ ॥৯॥

পুক্নীং হুবা হৈশিংলবা অশাওবা কোক্ক-বা
হায়খি কৃষ্ণনা রাধাদা নোঞ্জ-বা।
লেংজবা পদ্মাবতী মবুংভো জয়দেব কবিনা
জয় ওইরি জগত্তা সীগুম্বা ঈশৈনা ॥৯॥

সর্গ অসীমক্ শ্রীশ্রীগীতগোবিন্দগী থম্মোইনি হায়বা য়াই। স্কন্ধ তরানিথোইশুবা শ্রীমদ্ভাগবতকী মহুংদা তরাশুবা স্কন্ধ অসী শ্রীকৃষ্ণমকী থম্মোইনি, স্কন্ধ অসীগী রাসগী অধ্যায় মঙানা শ্রীকৃষ্ণগী থবায় মঙানি হায়বশুন্নহুন', সর্গ তরানিথোইশুবা গীতগোবিন্দ অসীদসু তরাশুবা সর্গ অসীমক্ শ্রীকৃষ্ণগী থম্মোইগী শক্তম্ লৌরগা "স্মরগরলখণ্ডনং মম শিরসি মণ্ডনং দেহি পদপল্লবমুদারম্" হায়বা পাদ অসীনা শ্রীকৃষ্ণগী থবায়নি হায়রবসু য়াই। মরম্দি দেহ অমদি প্রাণশুন্না কায়নবা য়াদ্রবা ইবুংঙো ইবেম্মা অনীগী বিরহ-বেদনা—কায়নবগী অর-মৈচাক্লা, থবায় য়াওদ্রবা হকচাংশুম্ তোঙান্ তোঙান্ তাহনা সংসারগী রাংল্ পুন্নমক্ বিসর্জ্জন তৌহনা লৈরুরবদগী, ইবুংঙোগী হায়জ-চংদা রাঙাঙ্ কয়াদসু ইবেম্মনা পেন্‌বিবা মরৈথিদ্রবদা প্রেমগী মথা পোন্‌বা ইবুঙোনা, প্রেমতবু ফংগনি হায়রবদি অচুম্ অরান্, হৌনবা-তৌনদবা লৈতনা, করিশুম্বা অমা হেক্তা তৌরগদবা ইবুংঙোনা অরোইবা ওইনা হায়জখ্রবনি "দেহি পদপল্লবমুদারম্" হায়বসী। মসীতদা ইবেম্মনসু মান্ থাদোক্লম্না অমুক্ প্রেম-লীলা শান্নখিবনি, শিক্লরবা হকচাং হিক্লখিবনি। অহনদি পান অসী গীতগোবিন্দগী থবায়নি হায়বদা লাল্লগদ্রা? অসীশুম্বা ইবুংঙো-ইবেম্মগী প্রেম লীলাবু শক্‌চৈ—জয়দেব কবিনা থোইদোক্লা ইবুংঙোমকী থুং-থম্বাল্‌না থোন্‌বিরম্লবা "দেহি পদপল্লব-মুদারম্"।

তরামাথোইশুবা সর্গগী মমিং "সানন্দ-গোবিন্দ" কৌই।

শ্রীমতীরাধিকাগী দুর্জয়-মান— থাদোক্‌হন্নবগীদমক্ শ্রীকৃষ্ণনা হায়রজ-চৎচা তৌশিন্‌বা মন্নাম্, কয়ারক্ নোঙখিবা, পুন্নমক্ অহ্ন মহৈ য়াল্লে। সখীশিংনা থবায়-হক্‌চাং য়াওনা হোৎনবদা, শ্রীকৃষ্ণগী হৈশিংবা নীংথিবা য়াভাঙ্‌দা ইবেম্মগী মান্ থাদোক্লে। জগৎ পুন্নমক্তা মাবু তান্নরিবা অহুঙম্বা মহাক্ মশামক্তা থুকুউ লৈতানা হায়জখিন্‌বনি, "দেহি পদপল্লবমুদারম্ ...." শাউরিবী শ্রীমতীগী খুয়াদা তাহনা ওন্‌থ্‌রবনি মাধব ইবেম্মগী লাংশিল্লবা মায়থোংদা মংশিল্লম্বা থৌজাল্ য়াওরবা লৈচিল্ নোংকাইশিং অহু লাপ্না পাই-থোক্‌খ্রে। অমুক্ মকালায়্না নোক্লে, ইবেম্মগী মায়থোং থম্বাল্— মুগায়না শাংলে। সখীশিংগী ইঙ্গিৎতগী শ্রীকৃষ্ণনা অভিসারগী কিজেৎ শেংলহনা কুঞ্জ-শয্যাদা ইবেম্মবু ভাইহনা লৈখ্রে। কবি জয়দেবনা সখীশিংগী খুৎ পায়হনা শ্রীমতীরাধিকাবু মিলন শয্যা তান্না থিন্‌জিল্লে। গোবিন্দগী থম্মোইনু দা তিন্নবগী মুংভাইবা ঈপাক্তা হুরাওবা-অপেন্‌বগী ঈথক্ হৌরক্লে।

হৈশিংলবী ইবেম্মগী চান্নবী সখীশিংনা মবুংঙো-মবেম্মগী প্রেম সেবা পাম্জবদগী অন্নাবা মিংচৎ থীবা, ঈকাইবা পুন্নমক্ থাদোক্তুনা হোৎনজে—পুণর্মিলন—অমুক্ তিন্নবা কংনবা। অহুবু মনাইশিংগী মথাদা লৈবিবা মবুংঙো মবেম্মনা থৌজান্‌বিরে, চান্নরে, মুংভাইজরে, হুরাও মথোই কাজরে। ভাবসী কবিনা অমুন্না উৎলি,—

উল্লাস — শ্রীকৃষ্ণ রসায়ণ

রাধাবদনবিলোকন বিকসিত-বিবিধবিকারবিভঙ্গম্
জলনিধিমিব বিধুমণ্ডলদর্শনতরলিত-তুঙ্গতরঙ্গম্॥

হরিমেকরসং চিরমভিলষিতবিলাসম্
সা দদর্শ গুরুহর্ষ-বশংবদ-বদনমনঙ্গবিকাশম্ ॥

ঈথক্ কাবগুম্ সমুদ্রনা থাজবু উরগা
হরাও ঈথক্ হৌরক্লে রাধাগী মায়থোং উরগা
হরিগী পূক্নীং ঈপাক্তা
থম্মোইমুংদা লৈরম্বা অপাম্বা থুংলে হৌজিক্তা
মকালাম্লে য়াংল্ অসীদা
প্রাণ কংথ্রবা গোবিন্দগী মায়থোং শ্রীমতীদা ॥

মবুংঙো মবেম্মগী প্রেম মিলন ফংলবদা হরাও মথোই কারবা ভক্ত কবি জয়দেব, মহুৎভু ঙাইহুনা লৈজরক্লিবা, লীলাগী থৌরম্ শীন্বা য়াওজবা পেঞ্জরে, মহৈ য়াঞ্জরে নোম্জবগী। পুকচেল্ চাউবা,— জগৎকী কল্যাণ থিরিবা, ভক্তনা মথস্তগী করিগী? ময়াম্মুম্ হরাওবা মুংঙাইবা য়াওহন্নীংই। অহুনা তাক্লি অমুক্সু অম্মুম্না,—

শ্রীজয়দেবভনিতবিভবদ্বিগুণীকৃতভূষণভারম্।
প্রণমত হৃদি বিনিধায় হরিং সুচিরং সুকৃতোদয়সারম্ ॥

শ্রীজয়দেবগী ঈশৈসীদা ঈথক্ হৌরিবা
শ্যামগী শক্ফম্ নীংথিবা
শ্যামগী হক্চাংমু
তাইবংগী পুম্নমক্কগী তুংনকম্ ওইবমু
থম্মোইদা চেৎনা কোন্দুনা, হে পারিবা
থুরুম্মু ভম্-থোক্তবা শ্যাম মূর্ত্তিবু ফজবা ॥

শ্রীমতীরাধিকাগী দুর্জয়-মান— থাদোকহন্নবগীদমক্ শ্রীকৃষ্ণনা হায়জ-চংচা তৌখিব্রা ময়াম্, কয়ারক্ নোঙখিবা, পুন্নমক্ অহু মহৈ য়াল্লে। সখীশিংনা থবান্ন-হকচাং য়াওনা হোৎনবদা, শ্রীকৃষ্ণগী হৈশিংবা নীংথিবা য়াওাওদা ইবেম্মগী মান্ থাদোক্লে। জগৎ পুন্নমক্না মাবু তান্নবিবা অহুগুম্না মহাক্ মশামক্না খুকুউ লৈতানা হায়জখিব্রনি, "দেহি পদপল্লবমুদারম্ ·······" শাউরিবী শ্রীমতীগী খুয়াদা তাহুনা ওন্খ্রবনি মাধব ইবেম্মগী লাংশিল্লবা মায়থোংদা মংশিল্লবা থৌজাল্ য়াওব্রবা লৈচিল্ নোংকাইশিং অহু লাপ্না পাই-থোক্খ্রে। অমুক্ মকালান্না নোক্লে, ইবেম্মগী মায়থোং থম্বাল্— ফুগায়না শাংলে। সখীশিংগী ইঙ্গিংতগী শ্রীকৃষ্ণনা অভিসারগী ফিজেৎ শেংলহুনা কুঞ্জ-শয্যাদা ইবেম্মবু ঙাইহুনা লৈখ্রে। কবি জয়দেবনা সখীশিংগী থুং পায়হুনা শ্রীমতীরাধিকাবু মিলন শয্যা তান্না থিন্জিল্লে। গোবিন্দগী থম্মোইনু দা তিন্নবগী নুংঙাইবা ঈপাক্তা হরাওবা-অপেনবগী ঈথক্ হৌরক্লে।

হৈশিংলবী ইবেম্মগী চান্নবী সখীশিংনা মবুংঙো-মবেম্মগী প্রেম সেবা পাম্জবদগী অৱাবা মিংচৎ থীবা, ঈকাইবা পুন্নমক্ থাদোক্তুনা হোৎনজৈ—পূর্ণমিলন—অমুক্ তিন্নবা ফংনবা। অহুবু মনাইশিংগী মখাদা লৈবিবা মবুংঙো মবেম্মনা থৌজান্বিরে, চান্নরে, নুংঙাইজরে, হরাও মথোই কাজরে। ভাবসী কবিনা অম্মা উৎলি,—

রাধাবদনবিলোকন বিকসিত-বিবিধবিকারবিভঙ্গম্
জলনিধিমিব বিধুমণ্ডলদর্শনতরলিত-তুঙ্গতরঙ্গম্॥

হরিমেকরসং চিরমভিলষিতবিলাসম্
সা দদর্শ গুরুহর্ষ-বশংবদ-বদনমনঙ্গবিকাশম্ ॥

ঈথক্ কাবগুম্ সমুদ্রনা থাজবু উরগা
হরাও ঈথক্ হৌরক্লে রাধাগী মায়থোং উরগা
হরিগী পুক্লীং ঈপাক্তা
থম্মোইগুংদা লৈরম্বা অপাম্বা থুংলে হৌজিক্তা
মকালাম্নে রাথল্ অসীদা
প্রাণ কৎথ্রবা গোবিন্দগী মায়থোং শ্রীমতীদা ॥

মবুংঙো মবেম্মগী প্রেম মিলন ফংলবদা হরাও মথোই কারবা ভক্ত কবি জয়দেব, মহুৎতবু ঙাইহনা লৈজরক্লিবা, লীলাগী থৌরম্ শীন্‌বা য়াওজবা পেঞ্জরে, মহৈ য়াঞ্জরে নোম্‌জবগী। পুকচেল্ চাউবা,— জগৎকী কল্যাণ থিরিবা, ভক্তনা মথক্তগী করিগী? ময়াম্বুস্ হরাওবা মুংঙাইবা য়াওহন্নীংই। অহুনা তাকৃলি অমুকস্নু অস্নুম্না,—

শ্রীজয়দেবভনিতবিভবদ্বিগুণীকৃতভূষণভারম্।
প্রণমত হৃদি বিনিধায় হরিং সুচিরং সুকৃতোদয়সারম্ ॥

শ্রীজয়দেবগী ঈশৈসীদা ঈথক্ হৌরিবা
শ্যামগী শক্‌কম্ নীংথিবা
শ্যামগী হক্‌চাংহু
তাইবংগী পুন্নমথৈগী তুংনকম্ ওইবহু
থম্মোইদা চেৎনা কোন্দুনা, হে পারিবা
থুরুম্বু তম্-থোক্তবা শ্যাম মুর্তিবু ফজবা ॥

অসুম্মা জগৎমঙ্গল কামনা তৌরি কবিনা সর্গ অসীদা—সানন্দ-গোবিন্দ ॥

অরোইবা অমদি তরানিথোইশুবা সর্গগী মমিং 'সুপ্রীত-পীতাম্বর' কৌরম্লে কবি-জয়দেবনা ।

সর্গ অসী গীতগোবিন্দগী অরোইবনি। মাঙ্‌দা নৈনখি্রবা পুম্নমক্‌সীনা নম্‌থবা (থেম্বা) য়াদ্রবা মুংশিবগী চাংয়েংনি, হৌজিক্ লাক্লিবসীনা মতুগী খোয়থুম্নবা মুংশিরবা অরোইবদা তিন্নবা অতুনি। বাসক শয্যাগী মনাক্তা লেপ্লগা পীতাম্বর সনা ফীগে শেৎপা শ্রীকৃষ্ণনা চিংনা য়েংই শাউগন্‌বী শ্রীমতীগী মায়থোং থম্বাল্‌দা, উবা ফংলে, মায়থোংদা শাউবগী খুদম্ লৈত্রে. মতুগী মতুত্তা ফোঙ্‌-দোক্লি ঈকাই-মুংশি-মীনোক্, ঙাক্‌পিবগী খুদম্, মিলন-শয্যাদা চঙ্‌লক্লবা কৌশিনবা। হৌরে, কুইনা খৌরাংলক্লবা প্রেম-সম্ভোগ-লীলা। কবি জয়দেবনা অসীগুম্বা মধুর-মিলন অসীদা পারিবা মীশিংবুসু য়াওহন্নবা বিদায় পীরি। ঐখোয়সু মফম্ অসীদগী বিদায় লৌরি, অসীগুম্বা প্রার্থনা অসীদা, মীওইবা খুদীংমকী থম্মোইদা রাধাকৃষ্ণগী নিত্য রাস লীলা শাম্নরিবা, অতুগুম্বা নিত্য লীলা অতুদা মীপুম খুদীংনা য়াওজবা ফংনবা। অতুগুম্বা মুংঙাইবা অতুদা পেঞ্জবা ঙসি পীতাম্বর শ্রীকৃষ্ণনা কদম্ব-মপাল্‌দগী মতৌগুম্না লৈরীক্ থীংনা শাংলসনু মুপা মুপী খুদীংগী থম্মোইদা।

শ্রীজয়দেব কবিগী শৃঙ্গার-কাব্য অসীবু অসুম্মা শক্লগী,—

সাধ্বী মাধ্বীকচিন্তা ন ভবতি ভবতঃ শর্করে কর্কশাসি
দ্রাক্ষে ভক্ষ্যন্তি কে ত্বামমৃত মৃতমসি ক্ষীর নীরং রসস্তে।

মাকন্দ ক্রন্দ কান্তাধর ধরণিতলং গচ্ছ যচ্ছন্তি যাব-
ত্তাবংশৃঙ্গারসারস্বতমিহ জয়দেবস্য বিষ্বগ্বচাংসি ॥

পৃথিবীদা লৈরিমখৈ জয়দেবগী শৃঙ্গার কাব্যসীনা,
হে খোইহী, থুস্মী হায়ররোই নঙ্‌বু কনানা
হে চিনি অঙৌবা! অকেঙ্‌বনি নঙ্‌স্মু
হে দ্রাক্ষা, য়েংনীংদে নঙ্‌বু কনানস্মু
হে অমৃত, নঙ্‌স্মু অশিবগীনি
শঙ্কোম্‌গী মহাওস্মু ঈশিংগুম্‌ নীংগনি
কপ্‌কনি রাত্থনা হৈনৌ থুম্লবা
চংখরো রসাতলদা চাম্লবগী চৌগ্বাল্‌ নীংথিবা ॥



২

চণ্ডীদাস

অকাওবা কবিশিং শীংথারকপদা চণ্ডীদাস শোয়দনা য়াওই। সাহিত্য নৈনবা মীওইশিংনা চণ্ডীদাস অহুম্ গুই হায়না লৌনৈ। বড়ু চণ্ডীদাস, দীন চণ্ডীদাস, দ্বিজ চণ্ডীদাস। অহুম্ অসী কনানা কনানো হায়বগী মরম্দা য়াম্না নৈনৈ, নৈনবদা নত্তে য়াম্না য়েংথনৈ। অহুম্, মকম্-মতম্-থোদোক্-তৌরম্বা থবক্ কয়া কয়া য়েংলগা, থিজিল্লগা মথং-মনাও থরদি অতুম্নক্ মরেপ্নে। অশেংবা খঙ্নবগী থবক্তা, য়েংপগী মছুত্তা থিজিনবনা থয়া হেন্না কান্নবা কংই। "চণ্ডীদাস-চরিত" কৌবা লাইরীক্ অমা কোঙ্বদগী ৱাকম্ অসী হৌজিক্কা থয়া হেন্না অমুক্সু নৈনদবা য়াহল্লে। অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু "চণ্ডীদাস" হায়বা মিংগী মথাদা ইরম্লিবা কীর্ত্তন, পদাবলী পুম্নমক্ তোঙান্ তোঙান্না নৈনরগা অকোন্ অহান্ অমদি অশেংবা মশক্ থঙ্গনি নীংই।

অয়াম্বনা লেপ্পরি, 'শ্রীকৃষ্ণ-কীর্ত্তন' কৌবা কাব্যগ্রন্থ অমা দৈ,—মসীবু ইরিবা অসীগী মমিং বড়ু চণ্ডীদাস হায়রগা খঙ্নৈ। মহাক্ অসী বাংলাগী অহানবা অমসুং অথোইবা বৈষ্ণব পদকর্ত্তা

ওইরম্বনি। শ্রীকৃষ্ণচৈতন্যগী মমাঙ্গী মীওইনি। থিজিন্বা কাঙ্-
বুনা মাগী মতম্গী খৃষ্টাব্দ ১৪১৭ অদ্বাইদগী ১৪৭৭ অদ্বাই ফাওবগী
মনুংদা লৈরম্বনি অম্বম্না লৌনৈ। কবি বিদ্যাপতিগা মতম্ অমত্তনি
হায়না লৌনৈ থরগী মত্তনা শক ১৩২৫ দা মহাক্ পোক্খি।

হায়রিবা বড়ু চণ্ডীদাস অসী বাংলা দেশকী বীরভূম জিলাগী
মনুংচনবা নান্নুর কৌবা খুঙ্গংদা পোক্পনি। দুর্গাদাস বাগচী
কৌবা ব্রাহ্মণগী মচানি। পুন্সীচুম্না লুহোংখিদে। বাশুলী নত্রগা
বিশালাক্ষী কৌবী দেবীগী পূজা তৌবা ওইরম্মী। রামী কৌবী
ধোবী নিংঙোল্ অমা হায়রিবা বাশুলী দেবী অসীগী সেবিকা
ওইরম্মী। হায়রিবী রামী অমসুং চণ্ডীদাস অনীগী থম্মোইদা
নুংশি-লীপুন্নখি।

শ্রীচৈতন্যচরিতামৃতদগী খঙ্বা ঙম্মী মদুদি, মহাপ্রভু শ্রীচৈতন্য-
দেবনা স্বরূপ দামোদর অমসুং রায় রামানন্দগা লোয়ননা অহিং-
নুংথিল মতম্ পুম্নমক্তা গীতগোবিন্দ, চণ্ডীদাস অমসুং বিদ্যাপতিগী
পদাবলী, রায় রামানন্দগী নাটক—"জগন্নাথবল্লভ" অমসুং অতৈ
পদাবলী অদুগা বিল্বমঙ্গল ঠাকুরগী "কৃষ্ণকর্ণামৃত" গ্রন্থগী রস
আস্বাদন তৌবিরম্মী। শ্রীচৈতন্যদেবগী আবির্ভাব তৌবা মতম্
অসী খৃষ্টাব্দ ১৪৮৫ অদ্বাইদনি অদুগা সন্ন্যাস তৌবনা খৃষ্টাব্দ ১৫০৯
অদ্বাইদনি। মরম্ অসীনা হায়রিবা মতম্ অসীগী মমাঙ্দা চণ্ডীদাস
কৌবা কনাগুম্বা অথোইবা কবি অমা বাংলা দেশতা লৈরম্মী,
অমসুং হায়রিবা চণ্ডীদাস অসীনা কাব্য ইদুনা থোইদোক্-
হেন্দোক্পা মিংচং ফংলম্মী হায়বসীনু খঙ্বা ঙম্মী। মহাপ্রভু

শ্রীচৈতন্যদেবনা রস আস্বাদন তৌবিরম্লিবা অদুগুম্বা চণ্ডীদাসগী কাব্য অদু বড়ু চণ্ডীদাসকীনি হায়বদা চিংনবা লৈত্রে। মরম্দি শ্রীকৃষ্ণ কীর্ত্তন কৌবা লাইরীকী লোল্ ভাব অমস্যুং রসগী ঈচেল্ পুম্নমক্ অসী চৈতন্যদেবগী মমাঙ্গী চণ্ডীদাস অদুগী মকম্তদা চানৈ। বড়ু চণ্ডীদাসগী পোক্পা মতম্ অসী জয়দেব অমস্যুং মহাপ্রভু চৈতন্যদেব অনীগী মরক্তা লৈবা মতম্দনি হায়বসিদস্যু থোইনা চিংনকম্ লৈতে। মরম্দি, কৃষ্ণ কীর্ত্তন হায়রিবা লাইরীক্ অসীদি আদিরসাত্মক ওইবা কাব্যনি, মসীদা কবি জয়দেবগী প্রভাব কক্সনা তাব উই, অদুবু চংনরিবা পদাবলীদা অধ্যাত্মিক তত্ত্বগী হীরম্দ খিজিন্বস্যু উই।

হৌজিক্ চৎনরিবা পদাবলীশিংবু ইরম্বা চণ্ডীদাস— দ্বিজ ওইরবস্যু নত্রগা দীন ওইরবস্যু তুংদা লাক্লিবা শ্রীচৈতন্যগী যুগতা পোক্লম্বনি হায়বসীমদি অরেপ্পনি। ভাবকী অহক্পা মতৌ অমস্যুং পূক্নীংদা কাওহন্বগী পাঙ্গল, লোল্গী কজবা, ছন্দগী ঝঙ্কার, পুম্নমক্ অসীনা কৃষ্ণ কীর্ত্তনগী অমস্যুং পদাবলীগী ঈশৈশিং অসীনা ঐখোয়গী পূক্নীংবু হূরাল্লি। চণ্ডীদাস হায়বা কবি অসীগী খ্বাইগা মাল্লদবা কবিত্ব অসীনা মতম্ কুইনদগী হৌনা মীয়াম্গী মীহুংশি অমস্যুং থাগৎ-থাহৈ কংহুনা লাক্লি মরম্ অসীমক্তনা অতোপ্পা কবি কয়াগী কবিত্ব-রস-মধুর ওইবা পদাবলী কয়া চণ্ডীদাসগী মমিংদা চৎহল্লি। চণ্ডীদাসগী পুন্সীগী অকুপ্পা বারী ফংত্রবস্যু, ঐখোয়না মাগী গীতি-কাব্যগী রস থক্পা ফংলিবা অসীদা ঐখোয়গী পূক্নীংনা হায়রি— মহাকবি কালিদাসপু কবি রবীন্দ্রনাথ ঠাকুরনা হায়রম্বগুম্বা,—

"আজ তুমি কবি শুধু, নহ আর কেহ।"

"ঙসি নঙ্তনি কবি, নত্তে অতৈ কনা।"

বড়ু চণ্ডীদাসকী শৈরেং খরা,—

শ্রীমতীরাধিকাগী আক্ষেপ অনুরাগগী মতাংদা কবিনা অস্মুম্না শক্লম্মী :—

মিংচৎ থীগনি য়েংলগা মিংচৎ থীবীগী মায়থোং।
অমুক্ য়েংলরোই কৈদৌঙ্গুং মী'মগী মায়থোং॥

নশাগী ধর্ম্ম ঙাক্লা হন্থরো য়ুম্দা।
ঐদি চৎলনি লম্নান্বা লৈররোই লৈবাক্সিদা॥

অমুবা মণি-পরেং শিগনি ঙক্শম্দা।
কৃষ্ণগী গুণ মিংচৎকী শিগনি কুণ্ডল নাদা॥

কৃষ্ণগী অনুরাগ পীবা ফিঙাং শেত্তুনা।
দেশ দেশদা কোয়গনি যোগিনী ওইহুনা॥

চণ্ডীদাসনা হায়জৈ রাক্লরি করিগী।
মরূপ্ থৌরীবু থাঙমত্রা অশিবগী॥

আক্ষেপ অনুরাগগী মতাংদা শ্রীমতীরাধিকানা মরম্নাই ঙাঙ্জদহু কবিনা অস্মুম্না শক্লম্মী,—

পুন্নী তোন্নিদা মীথা পোন্বগী।
অতৈ লৈতে হেন্না তোন্বা মীথাপোন্ব'গী॥

ঈরাইবক্তা পাপ্সীবু বিধিনা অস্মুম্না ইরম্লে।
অমৃতগী সমুদ্র ঐঙোন্দা হূগী ওইরম্লে॥

অমৃতমি খন্দুনা লূপ্লবা মহুদা।
হুনা করিগী চঙ্বগে থম্মোইদা॥
ঈভিঙ হায়হুনা কোল্লুবা নূঙ্হু।
মুংশি-মৈনা শৌদোক্লে নূঙ্হু॥
উরুম্ য়েংনা ফম্লুবা বন্দা উপাল্ উরীগী।
চাক্লক্লে নঙ্গা উনা উপাল্-উরীগী॥
যমুনাগী ঈশিংদা চোংথরগা।
ঈংগদ্রা থরায়সে হেন্না চাকদ্রা নত্রগা॥
কম্দৌনা থাগনি থরায়সে।
শোয়দনা চাগনি ঐদি হুসে॥
চণ্ডীদাসনা হায়জৈ খঙঙম্দে নোংদম্ লাইগী।
তম্থীবা মুংশিবা লৌরো থরায়সে ঐগী॥

দ্বিজ চণ্ডীদাসগী শৈরেং খরা ঃ—

আক্ষেপ অনুরাগগী মতাংদা শ্রীমতীরাধিকানা শ্রীকৃষ্ণগী মফম্দা হায়খিবহু কবিনা শরুন্মী অসুম্না ঃ—

মুংশিবগী শক্তমহু য়েংলরোই কৈদৌনুং
মীৎ অনীসিগী মীৎচিনা।
মুংশিবা হায়হুগী তাহন্বদা মমিংহু
মেশিন্দুনা লৈরগে নাকোংসে॥
চান্নবী করিবু হায়সিগে নঙোন্দা।
মুংশিবা কৌবা ময়েক্ অহম্সে
অমুক্ অন্নাবা পীরবা ঐঙোন্দা॥

মুংশিবা লুনা তৌরম্লোই কৈদৌরুং
তুম্বদা মঙ্দা পুক্নীংদা।

মুংশিবগী লম্দম্দা থাদোক্ত্না লৈবত্রু
লৈজরগে অশূকপা বন্দা॥

মুংশিবগী মুংশীংনা শোক্পা তৌদনবা
থাদোক্লগে নিকুঞ্জদা লৈবা।

মুংশিবগী লায়না থারবদি থাদে
নীংথিনা খণ্ডিঙ চণ্ডীদাস॥

শ্রীরাধাগী পূর্ব্বরাগগী মতাংদা কবিনা শক্লমী অস্মুম্না,—

কয়াদা রারবনো থম্মোই রাধাগী।

অচীক্পদা ক্ষম্ত্রুনা মথক্তা লৈত্রুনা,
রা তাদে কনাগী॥ .

মতম্ চুপ্পদা রাখন্দা লূপ্না য়েংত্রুনা নোং তম্না,
লেঙ্খিদ্রে মীংনহাত্রু।

চাব-থক্পা তৌদনা অঙাংবা ফীজোল্ শেত্তুনা
লৌত্রুনা যোগিনী মতৌত্রু॥

চাইথোক্ত্না বেণীত্রু লৈগী পরেংত্রু,
য়েংঙি লোথোক্ত্না খুজীত্রু।

মোমোন্ তৌবা মায়থোং য়েংঙি থাগী মায়থোং,
করি হায়রি থাজত্তুনা খুং'নীত্রু॥

য়েংনজে হাইকেংনা রাহোং লাব-অমোম্না
থোংই য়েংত্রুনা।

চণ্ডীদাসনা হায়জে নৌনা শকৃখঙ্‌নজে
কুচু মুবা মরূপ্‌কা লোয়ননা ॥

দীন চণ্ডীদাসগী শৈরেং খরা :—

বিপ্রলব্ধা অমসুং খণ্ডিতাগী মতাংদা শ্রীকৃষ্ণগী মফম্‌দা চন্দ্রা-বলীনা হায়জখিবা বাফম্‌তু কবিনা শক্রম্মী অসুম্না :—

এই পথে নিতি কর গতায়তি
নূপুরের ধ্বনি শুনি।
রাধা-সঙ্গে বাস আমারে নৈরাশ,
আমি বঞ্চি একাকিনী ॥

বঁধু হে, ছাড়িয়া নাহিক দিব।
হিয়ার মাঝারে রাখিব তোমারে
সদাই দেখিতে পাব্‌ ॥

শুন সখীগণ, করিয়া যতন
ল'য়ে চল নিকেতনে।
আজুকার নিশি রাধিকা রূপসী
বঞ্চুক নাগর বিনে ॥

এতেক শুনিয়া করেতে ধরিয়া
লইয়া চলিল বাস।
রাধা-ভয়ে হরি কাঁপে থর থরি
ভণে দীন চণ্ডীদাস ॥

নিতিগী লম্বীসিদা চৎলি হুক্ষং হন্দা
নূপুরগী খোঞ্জেল্ তায়।
রাধাগা লোয়ননা লৈবহু, নীংবা কায়বনি ঐডোন্দা
ইথস্তা হুন্দোক্পিরে ঐদি ॥

হে চান্নবা, ভম্জররোই থাদোক্পা।
থম্মোইগী মনুংদা থম্গনি নংবু
উবা ফংনবা মতম্ পুম্বদা ॥
তাও সখীশা, লুনা চেক্শিন্না
পুশিনখ্রো য়ুম্দা।
ওসিগী অহিংসী রাধিকা শক্হেন্বী
লৈসমু মথস্তা নাগর য়াওদনা ॥
বাসী তাহ্না খুৎ পায়হুনা
পুশিন্খ্রে য়ুম্দা।
রাধা কিবনা হরিহু নীক্লে থক্ থক্ মশাহু
লেংজৈ দীন চণ্ডীদাসনা ॥

বিপ্রলব্ধা অমসুং খণ্ডিতাগী মতাংদা শ্রীকৃষ্ণগী মকম্দা শ্রীমতী রাধানা শাউনা হায়খিবহু কবিনা শক্লম্মী অসুম্না,—

ছুঁওনা ছুঁওনা বঁধু ঐথানে থাক।
মুকুর লইয়া চাঁদ মুখখানি দেখ ॥
নয়নের কাজর বয়ানে লেগেছে—
কালর উপরে কাল ॥

প্রভাতে উঠিয়া ও মুখ দেখিলাম,
দিন যাবে আজ ভাল ॥
অধরের তাম্বুল বয়ানে লেগেছে,
ঘুমে ঢুলু ঢুলু আঁখি।
আমা পানে চাও ফিরিয়া দাঁড়াও
নয়ণ ভরিয়া দেখি ॥
চাঁচর কেশর চিকণ চূড়া
সে কেন বুকের মাঝে।
সিন্দূরের দাগ আছে সর্ব্ব গায়,
মোরা হ'লে মরি লাজে ॥
নীল কমল ঝামরু হয়েছে
মলিন হয়েছে দেহ।
কোন রসবতী পাঞা সুধানিধি
নিঙাড়ি লয়েছে সেহ ॥
কুটিল নয়ণে কহিছে সুন্দরী
অধিক করিয়া তোড়া।
কহে চণ্ডীদাস— আপন স্বভাব
ছাড়িতে না পারে চোরা ॥

শোকৃপিহু শোকৃপিহু ইবুংঙো লৈবিয়ু অহুদা
মায়থোং থাজহু য়েংবিয়ু মিংশেন্দা ॥
মীংকী কাজল্ তৈরে মায়দা—
অমুবগী মথক্কা অমুবা।

অয়ুক্ হৌগৎলকৃপদা মায়থোংদু উরুরেদা
ঙসি নুমীৎসে অফবা ওইরনিদা ॥

চীঙ্গাল্গী অঙাংবা মচুদু তৈশিল্লে মায়দা মদু
উইরুম্ উইরুম্লে মীৎ অদু।

ঐঙোন্দা য়েংবিয়ু হন্দোক্তুনা লেপ্পিয়ু
মীৎ পেন্না য়েংহন্বিয়ু ॥

খোইতক্পা শন্নাংদু অরুংবা চূড়াদু
করিগী থবাক্তা য়াম্নরি মদু।

সিন্দূরগী দাগ অদুদি নৈরে হক্চাং পূম্বদদি
ঈকাইবনা শিরনি ঐ ওইর'দি ॥

অশংবা মায়থোং থম্বালদু কংশিল্লে মকৃশিল্লে মদু
মোংলেনে হক্চাংদু।

কনাগুম্বী শক্হেন্বী অমৃত সমুদ্রবু কংজরবী
গুমদুনা লৌরি মদু ॥


অথোয়বা মীৎয়েংনা হায়রকৃই নীংখিবীনা
চৈরকৃই হেন্না হেন্না।

হায়জৈ চণ্ডীদাসনা হৈনবী মশানা
খাদোক্তে হুরানবনা ॥

বৈষ্ণব পদাবলী লেংলম্বা পদ কর্তাশিংনা পদাবলীশিংবু বিষয়, ভাবকী মতুংইন্না কাঙ্লুপ, কাঙ্লুপ, পুন্না লেংই। শ্রীকৃষ্ণগী বাল্য-লীলাদগী হৌদুনা কৃষ্ণগী অমদি রাধাগী পূর্ব্বরাগ, অনুরাগ,

মিলন, মান, বিরহ, মাথুর ভাব-সম্মিলন, অসীনচিংবগী মথং মনাও নাইনা লেংই। অতুবু লাইরীক্ মচা অসীগী মনুংদা পুম্নমক্ শুনা থোম্জিন্বদি লুনা থোক্ই।

অরিবা কবিশিংনা ইরম্বগী তশেংবা মওঙ্ ফংবা লুরে, অশৈবা অইবা কয়াদগী মথং মথং চেন্থরক্পত্নুা মমৈদ মমৈদদি ফনা মান্নদবস্থ য়াওরে। অতুবু অয়াম্বগা মান্নবতুনা অচুম্বনি হায়না লৌবা তারে। বঙ্গীয় সাহিত্য পরিষদকী পদকল্পতরু, বিদ্যাপতি, চণ্ডীদাস, অমস্তুং 'অপ্রকাশিত পদ-রত্নাবলী' অসীনচিংবনা হীরম্ অসীদা প্রামাণ্য গ্রন্থ ওইরি।



৩

বিদ্যাপতি

অফাওবা বৈষ্ণব কবিনি। মিথিলাগী মন্নুংদা লৈবা কমলা তুরেল্গী মপান্দা তাবা গড়বিসপী খুঙ্গংদা মহাক পোক্-খিবনি। অপোকপগী মিং গণপতি ঠাকুরনি। চাউরাক্না লক্ষ্মণ সম্বংকী ২৪১ শুবা (খৃষ্টাব্দ ১৪০০-১৫০৬ ?) অদ্বাইদা মানা তাইবঙ্ খোঙ্দাখি থন্নরি।

কবি অসীগী পুন্সী নারী খঙ্ননবগী পান্বে অমত্তা লৈতে। হেক লৈরিবা হায়বমক্তবু মাগী কাব্যগী পদাবলী খুদীংদা নিংথৌ শিবসিংহগী প্রভাব মরু ওইনা তাবা উই। মহাক্ নিংথৌ অসীগী সভা কবি ওইরম্মী। নিংথৌ অসীনা বিদ্যাপতিবু 'অভিনব-জয়দেব' (অনৌবা জয়দেব) হায়বা মিংথোল্ অসী পীরম্মী। অতুনা কবিনা মাগী পদাবলীগী ভণিতাদা শিবসিংহ অমস্তুং মাগী রাণী লছিমা-দেবীগী মিং পল্লি। বিদ্যাপতি লৈবনা মরম্ ওইদুনা মিথিলাপুরী অসী মতম্ অমদা চাউথোক্লবগী মফম্ ওইরম্মী।

বিদ্যাপতিগী মাঙ্গী অহল্লম্মন্শিং অহু অথোইবা শৈব ভাক্ ওইরম্মী। বিদ্যাপতিসু কৈলাসনাথ বাণেশ্বর দেববু থম্মোই মন্দিরদা

লাংলম্মা। হায়নবা লৈ, বিদ্যাপতিগী ভক্তিগী পাঙ্গল্না ভক্তগী মথা পোন্‌বা মহাদেবনা ফিজেং লোত্তুনা কবিগী মনাই ওইনা লৈরম্মী।

নোংমা বিদ্যাপতিগী মনাই উগনা হায়বসীনা ঈশিং খৌরাংলবা বিদ্যাপতিবু মাগী জটাদগী গঙ্গাজল লোথোক্লগা পীথকৃপা। উবদা বিদ্যাপতিগী ওকৃপগী পন্থং লৈত্রদ্রুনা য়াম্না খঙ্‌নীংনা করি মরম্নো হংলম্মী। মীনাইগী মশক্ লৌরিবা শিবনা হায়রম্মী, "ইবুংঙো। নঙ্‌গী ভক্তিদা পেল্লদুনা ঐনা নঙ্‌গী ননাই ওইদুনা লৈরিবনি, য়াসী কনামত্তদা ফোঙ্‌দোকনু। ফোঙ্‌দোক্পমক্তদা নঙ্‌গী য়ুম্ অসী থাদোক্লুনা চংখিগনি।"

বিদ্যাপতিগী মুপী অদু য়াম্না শাউগল্লি অমসুং ওাঙ্‌গন্‌বী ওইরম্মী। মানা মীনাই উগনাবু পোৎ অমা পুরকউ হায়বদা খরা থীন্‌খিবগীদমক্ চৈতুপ্ অমনা ফুবা উরদুনা বিদ্যাপতিনা চেন্-শিল্লক্লগা মুপীগী মখুত্তগী চৈ মুল্লগা হায়রকৃই, "করি তৌদুনা মাঙোন্দা ক্রিবনো? উগনাসি মীনাই নত্তে, তশেংবা শিবনি"। খুদক্ অসীমক্তদা, মীনাইগী মশক্ লৌরম্বা শিব অন্তর্দ্ধান ওইখ্রে।

বিদ্যাপতি অসী বঙ্গদেশতদি বৈষ্ণব ধর্ম্ম চৎপনি হায়না খঙ্‌লৈ, অদুগা মিথিলাদনা মাবু পুম্নমক্কা শৈবনি হায়না খঙ্‌লৈ। বিদ্যাপতিনা পাখং ফারকৃপা মতমদা "কীর্ত্তিলতা" অমসুং "কীর্ত্তি-পতাকা" কৌবা গ্রন্থ অনীথক্ লেংলম্মী। তুংদা "পুরুষ পরিকা" "দুর্গাভক্তি—তরঙ্গিণী", "বিবাদ সার" অসীনচিংবা লাইরীক্ ইখি।

মাগী 'রাধাকৃষ্ণগী মরম্‌দা ইবা পদাবলীশিংদি বঙ্গ-সাহিত্য-ভাণ্ডারদা মমল্ নাইত্রবা রত্ননি।

বিদ্যাপতিগী মচানুপা অমা পোক্লম্মী, মমিং হরপতি কৌই। লক্ষ্মণ সম্বৎ ৩২৯ শুবগী কার্ত্তিক শুক্লা ত্রয়োদশী তিথিদা বাজিত্-পুরদা মচাগী মমাংদা কবি শাগৈগী চূড়ামণি ওইবা ঠাকুর বিদ্যাপতি মীওই-মপোক্ লোইশিন্‌খি।

শ্রীরাধাগী অভিসারগী মতাংদা কবি বিদ্যাপতিনা অশুম্না শক্লম্মী,—

রয়নি কাজর বম, ভীম ভুজঙ্গম
কুলিস পরএ দুরবার।
গরজ তরজ মন রোসে বরিস ঘণ
সংসঅ পড় অভিসার॥
সজনী, বচন ছড়াইতে মোহি লাজ।
জো হোএ সে হোঅও বরু, সবে হমে অঙ্গিকরু
সাহস মন দেল আজ॥
আপন অহিত-লেখ কহইতে পরতেখ
হৃদয়ক ন পাইঅ ওর।
চাঁদ হরিন-বহ রাহু-কবল-সহ
পেম পরাভব থোর॥
চরণ বেঢ়িল ফণি,— হিত কএ মানিল ধনি—
নেপুর ন করএ রোর।

সুমুখি পুছঞো তোহি সরুপ কহসি মোহি
সিনেহ কতদূর ওর ॥
ঠামহি রহিঅ ঘুমি', পরসে চিহ্নিঅ ভূমি,
দিগমগ উপজু সন্দেহ।
হরি হরি শিব শিব তাবে জাইহ জিব
জাবে ন উপজু সিনেহ ॥
ভনই বিদ্যাপতি— সুনহ সুচেতনি,
গমণ ন করহ বিলম্বে।
রাজা শিবসিংহ রূপনরাএন
সকল-কলা অবলম্বে ॥

অহিংসে মম্‌শিল্লক্রে অকিবা লিন্ থোক্লক্রে
তারে খুদোং থীরবা বজ্রহু
পুক্লীংবু কিহন্দুনঃ লাউ-খোংনা হৈথরে শাউরবা নোংনা
চিংনরি অভিসার চৎপহু ॥
চান্নবী, হায়নখিবা শোয়বা ঈকাইজৈ ঐদি
ওইসনু ওইনীংবা ঈশানা য়ানা লৌখ্রবা
থৌনা লৌয়ে পুক্লীং ঙসিদি ॥
তুংগী ঈশাগী কত্তবা তশেংবা ওম্‌দে খঙ্‌বা
থম্মোইদা লেপঙম্‌দে ঙম্‌খৈদি
থাদা শজি খুদম্ পীবা খাঙ্‌ডি য়াহুনা য়োংলবা,
মায়থীবা পীকদে মুংশিবদি ॥

চরণদা য়েংলরে লিন্না কান্নবনি লৌরে ইবেম্মনা
মখোল্ থোক্‌খিল্লে নূপুরগী
হংলকই শক্‌হেন্‌বীনা তাকউ ঐঙোন্দা ভশেংনা
কয়া লাপ্পা ভম্‌খৈ মুংশিবগী ॥
হন্নক্লে কোয়রুবদংগী ঐনা খভিজ্ঞ লৈবাক্ শোক্‌পনা
পূক্লীং ঈলাঙ্-লাভিজ্ঞ চিংনবনা।
হরি হরি শিব শিব, পোক্‌ই নঙেঙান্দগী জীব
শিজগে মুংশি খঙ্‌ড্রিঙৈনা ॥
লেংজৈ বিদ্যাপতিনা— তাবিয়ু নীংথিবী নঙ্‌না
থীন্‌বা তৌরগনু চৎপদা
রাজা শিবসিংহদি রূপনারায়ণনি মাদি
কলা-খুদুং-লীবদা ॥

শ্রীমতীরাধিকানা শ্রীকৃষ্ণগা কায়নবা বিরহগী মতাংদা কবি বিদ্যাপতিনা অস্তুন্না শক্লম্মী,—

নাহ দরশ সুখ বিহি কৈল বাদ।
অঙ্কুরে ভাঙ্গল বিনি অপরাধ ॥
সুখময় সায়র মরুভূমি ভেল।
জলদ নিহারি চাতক মরি গেল ॥
আন কয়ল চিতে বিহি কৈল আন।
অব নহি নিকসয়ে কঠিন পরাণ ॥

এ সখি বহুত কয়ল হিয় মাহ।
দরশণ না ভেল সুপুরুখ নাহ॥
শ্রবণহি শ্যাম নাম করু গান।
জপইতে নিকসউ কঠিন পরাণ॥
বিদ্যাপতি কহ সুপুরুখ নারি।
মরণ সমাপল প্রেম বিথারি॥

বিধিনা তম্বীরম্ব্রে মুংঙাইবহু ইবুংঙো উনবগী।
ইরাল্ লৈতনা থুদেক্পিখ্রে ময়োল্ মুংশিবগী॥
মুংঙাইবগী সমুদ্র ওইথরে লমদম্ লৈঙোইগী।
শিখরে নোঙ্গৌবী য়েংনা য়েংনা মায়কৈদা নোংগী॥
পুক্লীংদনা অমা থল্লম্মী ওইরে অমা বিধিনা তম্বনা।
থোক্খিদ্রি হৌজিক্ফাও অকনুবা থবায়সীনা॥
চান্নবী, তৌরম্মী আশা কয়া থম্মোইমুংদা।
ফংজদ্রে উজবা নীপা অথোইবা ইবুংঙোহুদা॥
শকৃপিয়ু নাকোংমুংদা শ্যাম নামহু।
জপ তৌনা তৌনা থোক্খ্রসম্ব অকনুবা থবায়হু॥
বিদ্যাপতিনা হায়জৈ মুংশিরুবদো অথোইবা নিপাদা।
অয়োইবা ওইরে মুপীগী শিবদা॥

রাধাকৃষ্ণগী প্রেম লীলাগী রস থুদীংমক্তা পদাবলী ইরম্মী—
বৈষ্ণব পদকর্তা বিদ্যাপতিনা। থুদম্গীদমক্তা থরদং লৌখৎচবতনি।

বিদ্যাপতি কবিরঞ্জন : –

বৈষ্ণব পদাবলী ইবা অকাওবা কবি—বিদ্যাপতি কবিরঞ্জন কৌবা অমসু বাংলা দেশতা ১৬ শুবা শতাব্দীদা লৈরম্মী। মহাক্ বর্দ্ধমান জেলাগী শ্রীখণ্ডদা লৈরম্মী। মহাক্সী অকাওবা রঘুনন্দন ঠাকুরগী শিষ্য ওইরম্মী। কবিরঞ্জন হায়বসী মাগী মমিং ওইরম্মী, অমসুং "ছোট বিদ্যাপতি" হায়না মাগী মমিংসি কাওই। মতমত্তুদা মাবু মিথিলাগী কবি বিদ্যাপতি অমসুং কবি কালিদাসগা লোয়ননা চাংদম্নরম্মী। ভণিতা পীবদা ওন্না তৈনবদগী মাগী পদ কয়াসু মিথিলাগী বিদ্যাপতিগী মিংদা চংখ্রে হায়না লৌনৈ। অহুম্ মশা মশাগী ওইবা শৈলী অমাদি লোন্দা-পুদা অমদ লৈনবা ঙাক্তনি। নরোত্তম ঠাকুর, রঘুনন্দন ঠাকুর, শ্রীনিবাস আচার্য্য অসীনচিংবশিং অসী মাগা মতম্ অমত্তনি। কবিরাজ গোবিন্দদাস অমসুং কবি-রঞ্জন বিদ্যাপতি অনীসী চাউরাক্না মতম্ মান্নে, অনীমক্ শ্রীখণ্ডগী কবিনি। মহাক্সী দীন চণ্ডীদাসকসু মতম্ অমত্তনি, হায়রিবা বিদ্যাপতি অসীগা চণ্ডীদাসকা বাঁকুড়া জেলাগী ছাতনা গ্রামদা উনখি হায়বা লৈ। বীরভূম জেলাগী বোলপুরদগী ক্রোশ অহুম্ নোংচুপ্ লোমদা চংলগা লৈবা রূপপুর গ্রামদা কবিরঞ্জন বিদ্যাপতিগী সমাধি লৈ।

'ঋতু–উৎসব'কী মথু চন্না বসন্ত-বর্ণন তৌহনা শক্লম্মী কবি বিদ্যাপতি কবিরঞ্জন।

নব বৃন্দাবন, নব নব তরুগণ;
নব নব বিকসিত ফুল।

নবল বসন্ত নবল মলয়ানিল,
মাতল নব অলিকুল ॥

বিহরই নবল-কিশোর।
কালিন্দী-পুলিন কুঞ্জ নব শোভন
নব-নব-প্রেম-বিভোর ॥

নবল রসাল— মুকুল-মধু-মাতিয়া
নব কোকিলকুল গায়।
নব যুবতীগণ— চিত উমতায়ই
নব রসে কাননে ধায় ॥

নব যুবরাজ, নবল নব নাগরী
মীলয়ে নব নব ভাতি।
নিতি নিতি ঐছন নব নব খেলন
বিদ্যাপতি মতি মাতি ॥

নীংথিবা বৃন্দাবনগী নৌরবা উপালশিংদা অনৌ-অনৌবা
শাংলে লৈরাং অনৌ অনৌবা।
বসন্তদা অনৌবা শীংলি মলয়া অনৌবা
ময়াই ক্যারে খোইমু অনৌবা ॥

শাররি নাবল-কিশোরনা
কালিন্দী-তোর্বান্দা নীংথিরে অনৌবা কুঞ্জদা
ঙাওরে অনৌ-অনৌবা প্রেমা ॥

হৈনৌ মপালগী অনৌবা লৈহী থকপদা ভাওরবা
নৌরিবা কোকিলশিং শৈশক্লি।
নৌরিবী যুবতীশিংগী ময়াই কাখরে পুক্লীংগী
অনৌবা রসদা লৈকোন্দা চেল্লি॥

নব যুবরাজ-কৃষ্ণগা নব নাগরী-গোপীশিংগা
তিন্নখে অনৌ-অনৌবা পুক্লীং
নিতি নিতিগী অস্থুম্বা অনৌ অনৌবা মশান্না
ময়াই কারে বিদ্যাপতিগী পুক্লীং॥

ঋতু-উৎসবকী মঙ্গুং চন্না কবিনা 'বসন্ত-বর্ণন' অমগা শরুম্মী—

আএল ঋতুপতি—রাজ বসন্ত।
ধাওল অলিকুল মাধবী-পন্থ॥
দিনকর-কিরণ ভেল পয়গণ্ড।
কেশর-কুসুম ধলয় হেমদণ্ড॥
নৃপ-আসন নব পাউল-পাত।
কাঞ্চন-কুসুম ছত্র ধরু মাথ॥
মৌলি রসাল-মুকুল ভেল তায়।
সমুখহি কোকিল পঞ্চম গায়॥
শিখিকুল নাচত, অলিকুল যন্ত্র।
আন দ্বিজকুল পঢ় আশিষ-মন্ত্র॥
চন্দ্রাতপ উড়ে কুসুম-পরাগ।
মলয়-পবন সহ ভেল অনুরাগ॥

[illegible] ধবল-নিশান ।
পাটল [illegible] ॥
[illegible]লতা-একসঙ্গ ।
হেরি [illegible] ॥
[illegible] মাধব মধুমক্ষিক কুল ।
শিশির[illegible] সবহু করল নির্মূল ॥
উয়ারল সর্ষসিজ পাওল প্রাণ ।
নিজ [illegible] কর আগুন দান ॥
নব বৃন্দাবন-রাজ্যে বিহার ।
বিদ্যাপতি [illegible] ॥

শৈরেং ঘসীদা [illegible] অমক্ত-খাতুন্ [illegible] অমগী শক্তম্না বর্ণনা তে রি ।

খাতু নিংথৌ[illegible] ।
থোইবু [illegible]
[illegible] ॥
মনাগী [illegible] ॥
কিদা [illegible] ।
হত্র [illegible] ॥
লুহুপ্ [illegible] ।
মাত্রা [illegible] কোকিলগী ॥
জগোই [illegible] থাইমুনিং ।
পারি [illegible] ॥

থাকুল পাইরি কৈশী কৈরীরকা ।
অনুরাগ পীথে এক্খা হুর্শিবদা ॥
কুন্দ কৈথাগোক পায়থে কীবাকয় ।
উতোংকৈ ভেলোং, অশোক-চহ্রাঃ ভেত্রেবু ॥
নাওইদোং লবঙ্গলতা পুক্লগ ।
চেন্নথে উবদা নিংথমগা লোয়নবা ॥
হয়িংখোই মপৈনা লাম্মী ওইথে ।
নিংথমগী ওইবা পুম্বা মক কুক্থে ॥
কন্থিরে থম্বাল্ থরায় ফংজরে ।
মশাগী অনৌবা মনাদা খুদা কৎচরে ॥
শঙ্করে বৃন্দাবন-রাজ্যদা অনৌবা ।
বিদ্যাপতিনা হায়গ্র-মতম্গী চৌংলেখা ॥

মথুংডো শ্রীকৃষ্ণবু উনজনীংবদা লাউতকরবী শ্রীমতীরাধিকাগী অভিসারগী মতাং অমদা কবিনা অস্থুম্না শক্লম্মী :—

নব অনুরাগিণি রাধা ।
কছু নাহি মানয়ে বাধা ॥
একলি কয়লি পয়াণ ।
পন্থ বিপথ নাহি মান ॥
তেজল মণিময় হার ।
উচ কুচ মানয়ে ভার ॥
কর সঙে কঙ্কণ-মুদরি ।
পন্থহি তেজলি সগরি ॥

মণিময় মঞ্জির পায়।
দূরহি তেজি' চলি' যায় ॥
যামিনি ঘন আঁধিয়ার।
মনমথ হিয়ে উজিয়ার ॥
বিঘিনি-বিথারল-বাট।
প্রেমক আয়ুধে কাট ॥
বিদ্যাপতি-মতি জান।
ঐসে না হেরিয়ে আন ॥

রাধা অনৌব-মুংশি-বাখলনা তিল্লবী।
অপন্-অথিং করিস্থু খঙ্দ্রবী ॥
চৎলে কনা য়াওদনা মথল্লতা।
খঙ্দ্রে লম্বী-লম্বী নত্তা ॥
মণি পরেং থাদোক্থে।
অরাংবা থবাক্ লূম্না খন্থে ॥
খূজি খুত্তগী লোথোকথে।
লম্বী পূম্বা থাদোকথে ॥
খোঙ্দা শিবা মণিগী নূপুরতু।
থাদোক্তুনা চৎলি লাপ্না মতু ॥
শূরা মন্নবা অহিংসিদা।
বাখলনা ভাল্লি থম্মোইসিদা ॥
খুদোং থীরবা শাংলবা লম্বীতু।
ককথৎলে মুংশি-খুৎলাইনা মতু ॥

থম্মোইনা খণ্ড জয়ে বিদ্যাপতিগী।
উজত্রি অস্সুম্বা অতোপ্পগী॥

অহিং মমৈ ওইরক্লবা, চীংথৈ ফিতুপ, হুল্লক্লবা মতমদা অহিং চুপ্পা মবুংঙোগা শান্নবদগী ত্তারতুনা নীংশিংথোক্তনা পোথাতুনা লৈথ্রবী মবেম্মা শ্রীমতীরাধিকাগীদমক মিপাইজরবা তেম্বা লাব-অমোম্মা চীল্লোক্লজবা, মবেম্মবু য়াকাইজবতুবু শক্রি কবিনা অস্সুম্মা :—

রাই জাগ রাই জাগ শারীশুক বলে।
কত নিদ্রা যাও কাল মাণিকের কোলে॥
রজনী প্রভাত হইল বলি হে তোমারে।
অরুণ কিরণ হেরি প্রাণ কাঁপে ডরে॥
শারী বলে ওহে শুক ডাক উচ্চৈঃস্বরে।
প্রবলপবন বহে কুঞ্জের ভিতরে॥
শারী বলে ওহে শুক গগনে উড়ি ডাক।
নব জলধর আনি অরুণেরে ঢাক॥
শুক বলে ও শারিকে মোরা পোষা পাখি।
জাগাইলে না জাগে রাই ধরম কর সাক্ষী॥
শারী বলে ওহে শুক কর বেদধ্বনি।
চমকি চমকি জাগে রাধা-বিনোদিনী॥
বিদ্যাপতি কহে চাঁদ গেল নিজ ঠাঁই।
অরুণ উদয় হইল চল গৃহে যাই॥
রাধে লেম্মংলো হায়ভে তেম্বা লাব-অমোম্মা।
অমুবা মণিগী তম্পাক্তা তুমাখনি কপ্না কুইনা॥

ভাক্লরে নংঙোন্দা অহিং তৌখরে নোংঙাল্লক্লে।
চীংখৈ মঙাল উবদা কিবন থব্বায় নীক্লে॥
হায় তেম্বা অমোম্বা খোংঙু হৌনা হে তেম্বা লাবা।
কুঞ্জগী মচুংদা শীংলি মুংশীং অকন্‌বা॥
হায় তেম্বা অমোম্বা খোংঙু নোংমদোনথক্তা হে তেম্বা লাবা।
কুপশিল্লু চীংখৈ মঙালহু পুরক্কনা নোং-অনৌবা॥
হায় তেম্বা লাবনা হে তেম্বা অমোম অয়োকপা উচেক্লি ঐখোয়দি।
থম্মু সাক্ষী ধর্ম্মবু য়াকাইত্রবদি লেপ্খত্তে ইবেম্মদি॥
হায় তেম্বা অমোম্বা হে তেম্বা লাবা শকউ বেদধ্বনি।
লেঙ্খৎলি তথক্লা রাই-বিনোদিনী॥
কায়ৈজে বিদ্যাপতিনা * চৎখরে থানা মকমদা।
থুল্লক্লে চাংখৈ চংলো চংসি য়ুমদা॥

শ্রীকৃষ্ণনা গোকুল বৃন্দাবন থাদোক্লনা মথুরাপুরদা লেঙ্-খৎপদা অরা মৈচাক থঙমমত্রবী রাধানা তেংথাজবহু শৈদম্মি কবিনা শাক্কা:—

হরি কি মথুরাপুর গেল।
আজু গোকুল শূন ভেল॥
রোদতি পিঞ্জর শুকে।
ধেনু ধাবই মাথুর-মুখে॥

---

* ঙৈশৈ অসিগী ভণিতা অসি চারুচন্দ্র বন্দোপাধ্যায়না সম্পাদন তৌবা "বিদ্যাপতি ও চণ্ডীদাস" কৌবা প্রহদা বংশীবদন হায়না পীরি। অদুবকপু ঙৈরেবাক মণিপুর অদিদা বিদ্যাপতিগী মিংদু ভণিতা ওইনা শকপালি চৎনবা মরমদগী ঙৈশৈ অসি বিদ্যাপতিগী ওইনা থমজরে।

অব সোই যমুনা-কূলে।
গোপ গোপী নহি বুলে॥

সাগরে তেজব পরাণ।
আন জনমে হব কান॥

কানু হোয়ব যব রাধা।
তব জানব বিরহক বাধা।

বিদ্যাপতি কহ নীত।
অব রোদন সমুচিত॥

লেচ্ছ্ শুরব, হাদনা মথুরাপুরদা।
ওসি ঈহাঙ্-হাঙ্লে গোকুলসিদা॥

কপ্লি শবং-পোন্দা তেম্বানা।
চেক্লি শন্শীনা মথুরা ওন্দুনা॥

হৌজিক লৈখ্রে মখোয়স্থ যমুনা মপান্দা।
গোপ-গোপীনা নানুবিত্রে মখোয়দা॥

সমুদ্রদা থাদোক্লগে থবায়।
অতোপ্পা মপোক্লা ওইগে কানায়॥

কৃষ্ণ ওইরবদা রাধা ঐনা।
খঙনি মতমহুদা কায়নবগী থাবহু মানা॥

হায়জৈ বিদ্যাপতিনা তত্তনা।
হৌজিক্তি মতীক চায় কপ্পতনা॥

ঋতুরাজ বসন্তগী মতমদা পুক্নীং হুনা নীংথিজরবা বৃন্দাবনদা শ্রীকৃষ্ণনা ব্রজ গোপীশিংগা লোয়নন: রাস লীলা শাম্নখিবা অদুগী বর্ণনাদা শক্তি কবিনা অসুম্না,—

মধু-ঋতু মধুকর-পাঁতি ।
মধুর কুসুম মধু-মাতি ॥
মধুর বৃন্দাবন-মাঝ ।
মধুর মধুর রসরাজ ॥
মধুর যুবতীগণ-সঙ্গ ।
মধুর মধুর রসরঙ্গ ।
মধুর মাদল রসাল ।
মধুর মধুর করতাল ॥
মধুর নটন গতিভঙ্গ ।
মধুর নটিনি-নট-রঙ্গ ॥
মধুর মধুর রসগান ।
মধুর বিদ্যাপতি ভান ॥

পাইখ্রি হখিংথোই মপৈনা বসন্ত ঋতুসিদা ।
লৈহৌগী ময়াইকাপ্রি শাংকায়রবা লৈদা ॥
বৃন্দাবন মমায়দা নীংথিরবা ।
রসরাজনা পুক্নীং থুম্বনা ফজরবা ॥
শান্নরি শকহেনবীশিংগা লোয়ননা ।
নীংথিরবা অনৌবা রসগী মশাক্না ॥

হুংশিরবা যন্ত্র [illegible]।
হুংশি-হুংশিরবা তাল খুবাক্‌শী ॥
কজনা জগোই শারি থেক-থোয়না।
জগোইপুংদা তৈরবী জগোই শাবীনা ॥
নীংথিরবা ঈশৈ থল্লবা রসনা।
শকটৈ নীংথিনা বিদ্যাপতিনা ॥



৪

তুলসীদাস

তুলসীদাস ভারতকী অফাওবা ভক্ত কবিনি। প্রয়াগকী নোংচুপ থংবা অমসুং চিত্রকূটকী নোংপোক্ থংবদা লৈবা রাজাপুর কোবা খুঙ্গংদা তুলসীদাস পোকখি। য়েংনবা কয়া লৈরবসু, অয়াপনা লৌনব মতুং ইন্না, পম্বোগী মিংনা ভানুদত্ত কৌরম্মী, পলেমগীমা হুকসী দেবীনি অফাওবা কবি নন্দদাস হায়বসীনা ময়াম্বা অঙলম্মি, মাগী মনাওনি তুলসীদাস হায়না খঙনরিবসীনা। খৃষ্টাব্দ ১৫৩৫ নী অদ্বাইদা তুলসীদাসনা তাইবঙ্ খোঙ্দাখি। মশাগী চহী নীপালুডা ভায়রিতৈদা নৌনা পম্বৌ কায়নবগী অরা-মৈগাক্ খাঙ্ন-খাঙ্না কাশীধামদা চত্তুনা মহে মশিং তমখি। চহী ১২ রোম গুরকুলদা ময়ুমদা হল্লকুনা য়ুম্বান্‌বগী পুলীদা চঙখি। সংসারগী গুম্লাংনবগী শক্তিদা কা হেন্না লূপ্ খিহনা মহাক্ অসী "হুপীনা ভম্বা" হায়বা মিংখোল্ অহু ফংলম্মী। করিগুম্বা মতমদহু মানা মাগী হুপীবু মহাক্না লোয়নদনা থকু চথোক্-খোঙ্হোক্-হল্লম্লে। অদুম্ অমমক্ নোংমদি মানা চখোক্‌খিদৈদা মগাম্মদা চংখিরকপদা মীলনা তুংইননা ভাম্বখিরম্মী। মহু উবদা মাগী হুপীনা ইকাইবা অমসুং শাউনাংবগা লোয়ননা হায়রমী,—

লাজ না লাগত আপুকো, দৌরে আয়েহু নাথ।
ধিক্ ধিক্ আয়সে প্রেমকো, কহা কহৌঁ মৈঁ নাথ॥
অস্থি চর্ম্মময় দেহ মম, তামোঁ জৈসী প্রীতি।
তৈসী জৌ শ্রীরাম মহ, হোত ন তব ভবভীতি॥

"ইক্কাইবা পোক্ত্রা নঙবো, তাঙবক্লিন্সীবো ঈহুংদা।
তোল্লি তোল্লি অসীগুম্বা মনুংশি, করি হায়গনি ঐনা ইবুংঙোদা॥
শরু-উনশাগী ওইবা হকচাং ঐগী, মসীদা থুংশিবা লওগী।
অদুক থুংশিরসদি শ্রীরামবু, কোক্লমগনি থকিবা সংসারগী॥"

মহাপুরুষশিংগী পুন্সীদা অহোংবা অসী থোইদোক্না অঙকপা নত্তে। ভক্ত জয়দেব, কবি সম্রাট কালিদাসনচিংবা কয়া কয়াগী পুন্সীদা থোকখ্রনি। আদি কবি বাল্মীকিসু অহমথাই। মানগী মৈরী হোৎনবা রাঙাঙ অমত্তনা পুন্সী হিমায় লৈথিবা তাক্তনি। সন্ত তুলসীগী পুন্সীদসু অসুম্না থোক্লরে। মাগী চাম্থোক্লবাগী বাসী তাবদগী মাগী জ্ঞানগী মীৎ পাঙ্খত্না মীকুপ অমত্তা থাদোকপা ওম্দবা চান্নবাগ্র হুন্দোক্লম্মতুনা কাশীধামদা চৎখিরম্মী। মকম্ অসীদা মানা শ্রীরামচন্দ্রগী ধ্যানদা পুক্লীং লপ্পখিরম্মী। অসুম্না হায়নবা লৈ,—মানা নিত্তিগী হকচাং শেংদোকপগী অরেপ্পা ঈশিং অদু হেনদোক্কম্দা পিশাচ অমা লৈরম্মী। পিশাচ অদুনা ঈশিং অদু নিত্তিগী থকপদগী পেনশিনা লোংমি তুলসীদা অপাম্বা বর নিজু হায়রম্মী। তুলসীদাসনা অদু রামচন্দ্রবু ফংগে হায়রম্মী। পিশাচনা মহনক্তি শীরা ওমরদুনা কুর্শবন্তা কৌবা মকন্দা লৈবা

ব্রাহ্মণ অমগী মনাক্তা চৎলেনবা তাক্লম্মী। মালা খীজনা ব্রাহ্মণ অচুম্বী মনাক্তা চত্তুনা রাম মন্ত্রদা দীক্ষা লৌরম্মী। মতম্‌দা তাক্‌পা মতুং ইন্না চিত্রকূট পর্ব্বতা চত্তুনা মকমন্থেদা থা তরুক্‌ চুপা সাধনা তৌরবগী তুংদা সিদ্ধি ফংখি।

তুলসীদাসনা শ্রীরামচন্দ্রবু নত্তনা অতৈ করিগুম্বা বিগ্রহ অমত্তদা কোক্‌ নোনুখিদে। দাস্য ভক্তিগী শিরোমণি ওইবা ভক্ত হনুমানগী মতৌগুম্বা মাগী পুক্নীং হকচাং অমত্তা ওইনা ইষ্টদেব শ্রীরামদা কখোকচরম্মী। মানা বৃন্দাবনদা লৌরক্লেদা খুত্তা থংগী পায়বা শ্রীমদনগোপালদেবগী মূর্ত্তি উরগা হায়জাখ,—

"তুলসী মস্তক তব নোয়ে ধনুষবাণ লেও হাত্‌।।"

ইবুংঙো। খুত্তা লীরুতেন পায়বিত্রবদি তুলসীনা কোক্‌ নোঞররোই। মনাইগী অশেংবা পুক্নীংদগী থোরকপা বাহৈ তাবদা পেন্‌বিথ্রুনা মবুংঙোনা খুদত্তা থংগী মচুত্তা লীরুংতেন থোন্‌বিরুনা মনাইগী মথা পোন্‌বা ভগবান্‌না মনাইনা পামজবা শ্রীরামচন্দ্র প্রভুগী তাইবং শুন্থংনবগী মশক্‌ ওইবা মূর্ত্তি দর্শন পীবিখি। অসুম্না ভক্তগী অনী লোওন্‌বা পুক্নীংগী মথাদা ভগবান্না লেঙ্‌দনা লৈবি হায়বসীসু সত্ত তুলসীগী পুন্সীদা উৎলম্মী।

তুলসীদাস চুম্বী সিদ্ধ-ভক্ত অমা ওইরবতা নত্তে, সিদ্ধ-কবি অমসু ওইরম্মী। বৃন্দাবনগী লাক্লগা মালা মতম্‌ খরা অযোধ্যাদা লৈরম্মী। মতম্‌ অসীদা, হায়রবদি সংবৎ ১৬৩১ গী চৈত্রগী লৈবাক্‌-পোক্‌পা ৯ নি থাবনা তিথিদা অযোধ্যাদা "রামচরিত-মানস"

